
শরৎ-পূর্ণিমা

শরৎ-পূর্ণিমা

ষ্টুডেণ্টস এম্পোরিয়ম
বুক সেলার্স এণ্ড পাব্লিশার্স
[illegible] রোড, [illegible]

[illegible]   [illegible]



[illegible] Edition
January—1966
1000—Copies

Printed at :—
The Industrial Printing Works
Paona Bazar, Imphal.

ৱাহৌদোক

"লম্বৎ-পুথিম" কৌবা লাইরিক মচা অসিনা ঐগী ইহান থাবনা ঙমদ্রবনি। লাইরিক অসি শক ১৮৬৭ ইংদা ইকখিবনি। লাইরিক অসিগী অচৌবা শরুগী লৌমিংবগী ঈপৈপ অসি ঐগী পোকপিম্বা ইপাপা শ্রীমাইবম চন্দ্রচরণ সিংনা ইবিবনি। মসি মরামা থাবিদ্রবনি। লাইরিক অসি মপুং ফানবা হোৎনবদা শ্রীমোয়রাংথেম ... সিং মহাক থোনিঙাংলনবা মৈবা পুরাকেল চাওবা ইবেম্মা অসিনা মতুং ইন্না থাবিন্নবা ঐগী ইকৌ পায়বি। মসিগীদমক্তা উক্ত ইপাপা অসিগী মকমদা থৌরিমদ থাগৎ উৎচরি। ইবেম্মা অসিগী মপাঙ্গী লাইরিক অসি ইকবা ত্রবিরগী তুংথা ইরগী মতৌ লাইরিক অসিনা চৈত ওন্থবা ঙসি ফাওবা তুংমাগী মতৌ পোং থাংলিনবা হৈমজ্রিবনি। ইতি—

নোঙমকচরিবা—
লাইরিক লেংবা

'শরৎ-পূর্ণিমা'

অহানবা অঙ্ক

অহানবা উংপা

(ফুনী মরাম লৌবুক্তা ঈশৈ শকুনা লৌ লিংদনা লৈরবা)

'ঈশৈ'

চপি ঈও-ঙবা' অসে নিংথৌবে লোংবু ঈশৈনা
লোম্বী পুংলোম্বা মদম্বা খোংলোম্বা,
অদুবঃ লোংথী শমালেখা হাউ-ৱাহুনা লোংবাং মাইব
অচেংবা পাংবি মখোলশাংবা শংবানবা লৌদুক ইরাইপিবা
হৰ্ষি মনথানা ঙবা ঙবা।
মাচৌইবনা লৌবানথা ফুংদিনা খোঙৌনা,
লোংদি ঊদুনা চুম চুম হাবনা।

(শরৎ চংদকপা - মরাইপী ঈশৈ থাহুনা লৈরবা মরাপী মতৌ লেংবা। মথংগ থবক লোইহুনা চৎখিবা, পূর্ণিমাবা মাইকৈ অমরোমরা মালতীবু লেংহুনা কৌবা)

পূর্ণিমা :- মালতী। মালতী!! করি তৌরিবগে নংবু থা কাপিরবি হায়হুনা হৈরা হৈত্ত্বা লাকনু হায়বগু মাগে। লাকওনে মরাম পূজাগ লোইনা চৎলবেনে।

মালতী :- (মতুংদগী) হৈরৌগিদি (লোইকপা) লেংদুনবনে (মা উংপা) নংদি এলোনা [illegible] [illegible] থাবোনু

ওমকত্রা? নত্তে সে সি-পাইরম্ (ডা পীবা) অমুক কারুখিগে, মায়া নৈহোগে। (চংখিবা)

পূর্ণিমা :- হায়! মসি অচাংবসিগ, কায়দানা তৌইনবে চংসি লাকওনবে, নংবু কনানা কাখীবু হায়বগে খেংত্রে চংসিনে।

মালতী :—(মচুংদগী) নং চংলম্বে, ঐহু মুম খংবৈ ইরাইনা লাকচগনি।

পূর্ণিমা :—ইমা মীনা হায়রগা লম ইবেন য়েম্লছনা। (মচুং চাখিছনা মনা পায়ছনা পুমকপা)। (মালতীনা 'অয়ো নারে' হায়ছনা খোমকপা)। নচিন অহু থিখিসত্রা? হুং খিবোদনা।

শরৎ :— ইয়ে ২ ইবেম্মা—অচাংবনিনা হয়াওজহনা তৌবনি। অচাংবা অহুক খিনা তৌখিবা তৌনদে।

পূর্ণিমা :—(শরত্তা য়েংলহগা) নং মচুংদা অন্নমা অমুত্তং হায়বংগনি। (মনা খাবোকপা)।

মালতী :—হুমবদি য়েক্তা হায়গনি।

পূর্ণিমা :—হায়মু হায়মু (হুপে তৌবা)

শরৎ :—(খাখা) ইবেম্মা। তৌখিকহুদা হুপীমচা নম্বে থুমুমহু।

মালতী :—ঐগী ডা পীখিরো! (ডা পীবা)

পূর্ণিমা :—(শরত্তা য়েংলহগা) (মালতীদা চংলুনে মুম য়োমগা বংগনি মং। (চংকে তৌবা)

শরৎ :— কঙিওবা অমত্তা ইবেম্মবু!

মালতী :—(লেপ্পুনা) ঐখোইগী ইচেনি—মখিদি—

পূর্ণিমা :—করিনো মসি অঙাংসিবো, ভূমিন লৈগ্গী চন্দুন চৎলো।

শরৎ :— আঃ আঃ মালতী—করি তৌবা হায়্রি! (মালতীনা হায়বা ওমদনা মচেলা য়েংবা, শরৎতা য়েংবা পূর্ণিমানা চায়দুনা হায়দুনা ইঙিং তৌবা, শরৎনা হায়্রি হায়দুনা ইঙিং তৌবা)।

শরৎ :— মালতী!

মালতী :—অদুবু পূর্ণিমা—ডম চেনখিবা)

পূর্ণিমা :—লৈরম্বু থংগনি (শরৎতা হয়া য়েংলদুনা) অঙাং নখো হেক—(চৎখিবা)

শরৎ— (পূর্ণিমাগা মালতীগা চৎখিবা মাইকৈদা ওহাক য়েংলগা) পূর্ণিমা—ইশ কন্দবেদা, মিৎকম হোংবা মাত্রবা মাগী নিংথিজবরা চেংলোনা মুখম ওইদুনা মহোৎসাগী নিংথিজবা থুংলেম পুন্নমক মিৎকী হাংখদা লৈখয়ে। শংবানবা অত্যিয়াপশী পূর্ণিমা থাজনা হুগজুনা মালেম থক্তা ঈংনা চিকনা ওনবগুম নিংথিজবেদা! পূর্ণিমা শরৎকী আশাদি, নোংমা পানবা, নিনি শানবা, হয় শরৎকীদু পূর্ণিমা।

[ফিন]

অহানবা অঙ্ক

২শুবা উংপা

[বসন্তী সুর]

বসন্ত :—মপোই অনি অহুবু কায়কক্লো মতম অসি কনা থোংজিল্লক্লে, অমুম তোরবদি চাক ঈশিং চাবা মতম চাদহনা এখা নত্তনা মপোইদু নায়কহুনা তোকপয়নি কমদোৌসিবা।

মালতী :—(মহুংদগী চেনা-২) তাদো! তাদো! কলীদমক এনা কায়কদিবসি য়েংউ (২য় উংপা)।

বসন্ত :—হাঃ হাঃ হাঃ নংবু ডা কাথা হৈকয়বা? অসি নংকা কাবগা?

মালতী :—মানি এনঃ কাবনি, থাকত্তপা ইচেলা হংকো।

[পূর্ণিমা চংলকপা]

পূর্ণিমা :—তাদো মসিগী অঙাংসি মচিন ওংবোক্লা থিবয়ে, মহুং মনাও এগী তুং ইনহৈনবিগদু।

মালিতা :—ঐবো তুমহুদি, লেংচোই তাদো! এনা ডা থরুগা কাথিগে তোবদা মানা না নৈথংদিবা অহুদা এনু।

বসন্ত :—পূর্ণিমা— কলিগীদমক নংবা এগী ইচলবু তুরিবদি, মহুং অমুক হু থংগনি—চংলো মালতী নপুং-নথা, হাসলোকদুত্তো, মহুং মমাওদি নচেনা ডাংবা চৈথদা থুমগদু। (মালতী চংথিবা) পূর্ণিমা নংমু চংলো

চাক থোংবা তোকলে। মসিদি মীনু লাকপা
মাই থুনা লোইথোকখ্রে।

পূর্ণিমা :—করা মী তাগে।

বসন্ত :—ঐগী হকচাং অসি তোপতুনা নাত্তিদ্রবা লেংহৌগে
হায়তনা ডাক্তর অমা কৌথি, মসি লাকনি।

পূর্ণিমা :—ডাক্তর।

বসন্ত :—করি হোই ?

পূর্ণিমা :—মখোই ডাক্তর হায়বসিদি হুমদা কৌরবদি লেপ
লায়া লোই হায়, অতুগী মখক্তা ঐখোইনা দৈরাবা
অসিদি নত্তাইনি মাসি তাগা লাকপদি লেপ রাগা হেরা
লৈগে হায়রকনি। ঐখোইদি কদায়দগী পীগনি।

বসন্ত :—ঐনা হেনক কৌরিবা ডাক্তর অসিদি লেয়া কৌবা
ডাক্তর নত্তে, প্রেমগী মখক্তা কৌবনি পূর্ণিমা।

পূর্ণিমা :—প্রেমগী সংসার অসিদা লেপতনু নিত্তেবা তাইবা
মীনা অতুক থাপরবা দথ অসিদনু প্রেমগী মখক্তা
লাকপীগদবনে তাগে।

বসন্ত :—লাহনি পূর্ণিমা—হেনভৌ ডাক্তর অসিদি লেয়া কাবা
য়াবা মী নত্তে, মরুপকী হৃৎপিনবগী লিচিংতনা
মাযু চিংদকনবনি।

পূর্ণিমা :—তাগে !

বসন্ত :—অতুবনি পূর্ণিমা—নহাক লেবতনু মুনা নিত্তবা, ঐগী
নহা ওইরিঙৈগী লাইবক অসিবরিঙৈগী মরুপনি

মহাক লোইদনা লাকনি। মামা লৈমবু নিংথিজবা অমদি কম থাদই হায়না খঙ্গনা লাকজবদি ঐনা থাজগনি—মাচুদি সংসার অসিগী মপুংদা মরুপ হায়বনু লৈতে।

পূর্ণিমা:—অচুম্বা তাদে !

বসন্ত:—মামি, চংদো নংগী তোপদবা নপো তোকপো ইমুংগী চাক থোংবনবা লীং-তেল অদুক থীকখিদে। মালতী থাং পুরকউ। (পূর্ণিমা ইমুং চংখিবা) মমা তোকপি কাওবা লাক্কবসিনদি মুংখিদ ওইনা লাকে হায়র-মাজে। (মালতী থাং পুরুনা থোরকপা) মালতী! নচে চাইগনু এরমাংকদা লেম্বা থম্বা পাংখিবু। নচেগা থংনমনুকো। (থোকখিবা)।

মালতী:—ইচে! তামোনা হায়রম্লীবসি থংলেমনা?

পূর্ণিমা:—(মরুংদগী) করিনো?

মালতী:—ঐবু তেনথাং পেমহনগনু খুং লোকনি হায়রবদো, ইক্কজরিদৈদা পেমদোকচরমউ।

পূর্ণিমা:—নং নচিন থিগনুকো, তমাইদগী মুনিংহনা লৈখিবনি নং।

মালতী:—থংনবা হোরকনু, তামোনা থংনহু হায়রম্লবনিনা ঐবুদি থংনবিরোইদে। নংনা লোয়রবনু ঐগীদি তামো লৈবনিনা করিম্ব কিবিদেদে।

পূর্ণিমা:—(মরুংদগী) মীচং করেদা—। হোংউ নং।

(শরৎ চংলকপা)

শরৎ :—মালতী!

মালতী :—হায়রা! নঃ অসি থোয়রে, ঐখোই তুম থোয়রে, ঐখোই তুম কনানা ভাম্লবই ইচে! শাকএ হায়।

পূর্ণিমা :—তাবো মতু মচিন য়াম্না থীরবনি থমা তুমিহু।

মালতী :—তুতাইবা তাবোকলা হ ঙমহুনা সিরু নখোই তাবোয়া, ওসাইগীমু লাকই হায়রগা।

পূর্ণিমা :—ওসাইগী কনানোনে? (খোল্লকপা)

মালতী :—নবুকপীদো।

(পূর্ণিমা শরৎতা য়েংবা থককম হঙিস্নুনা হঙ্গা)

পূর্ণিমা :—মালতী! নংসি কান চাখিত্রেদা অহুক্তা থেংনে থেক লাংলহনা লাওনে।

শরৎ :—এঃ ইবেম্মা ইংখোল চংলকপা শরৎদি তুমিদনা কল্লিগী- থমক এরবাদা তুমবা ওইদ' তেবপাক্লা থাবিবিবনো? মতু ঐহু মী অমনিনা—আঃ এনা চংজরকপদি কবিতা অমতা হংজগে হায়হনা চংজরকপনি।

মালতী :—ঐখোই ইংচেদি মতা অমনি মতোম্বা হাংতুহু, ওসাইহুবুরনে, পূর্ণিমা হায়বা, কাউরবোইত্রা?

পূর্ণিমা :—কৈনো মসিগী অতাংসিবো—কপি মা ওইরবনো?

(শরৎ তুমা নংদনা বসন্ত শীং পুন্না চংলকপা)

বসন্ত :—শরৎ! (শীং থাদহনা শরৎতা চেনথিরকপা)

শরৎ :—বসন্ত! (অনি কোয়বা পূর্ণিমা ওকনা ইকাইনা হয়োখা, মালতী তিতক তিতক য়েংবা)

বসন্ত :—নিংশিমচা ! নং তামোগী থিদা পুরকউ। কদা কুইরগে (পুর্ণিমা চংখিহ্নলা থিদা পুরকপা)।

শরৎ :—কুইত্রি তৌরকপদ' চাইরম্বী (কপ্পা)।

বসন্ত :—হিদাকসু হাল্লকউ। (পূর্ণিমা চংখিবা) মালতী ! মাইরমদা শক্তোম নৈবত্রা হংউ চৎলো· (মালতী চংখিবা)। ইবেম্মা নগী তামোগী চাকসু লেংলনি, পরপ-পরপ হোংলৌ—ঐগী মোন মখাদা পৈশা থল্লা নৈবা অহুসু পুরকউ। শরৎ পাবুংবোইদি না·য়েক্তেংনা ঐদি লাইরবগী মথক্তা হকচাং অমি কত্তবনা নোংমত্তা লাকপা ওমত্তে।

শরৎ :—বোইদোকপা অনা অবেক নৈত্তে ঐসু লাকে নিংগা নিংনা থবক থল্লা চিনবনা লাকপা ওমত্তে হৌজিক্তি থর শংলে অহুনা নংগী পাত হেক কংবগা লাক-ইবনি। অদু ঐন' তাবদি নহাক থিবু পিরমলো-লোই নিংই অহুগা নংদি কবিসু তৌরমত্তে।

বসন্ত :—চুম্মী শরৎ মপানবোংদা য়েংবদি কবিসু তৌরে হাল্লবা মাই অহুবু মচুংদদি ওম্বোক্তা চুক্তাইরে, কোক্তা লোনগা তাইনক্তিন্তৈদা য়েক্তবোগে তৌবনি। নবোইগীদি ইনাক পুনবনিনা নৈ ঐবোইগীদি ঐনা হিপপ্রবদা মত্তো য়োংবিনবা নৈত্তে। নংবু শিদা কৌত্রবসু ঐনা লাক্লগা য়েংহনগদৌবনি অহুসু—

শরৎ :—কর্ম্ম য়ারো নংনো হায়রিবনিদু কর্ম্মগী নংনা লাকপগে
কোক্কা চিংক্রে তাবদা হায়রবা তাক্লবা চাউদনা ঐনা
তেক্তা চেংকখ্রে। অদুবু ঐনা থবক থব চিনবগা
কর্ম্মগা তৌরবনি (পূর্ণিমা ফিগাক, পৈশা, পুখোক্লুমা
লৈবা) বসন্ত—(পৈশা লোকুন) কদাই—নৈ থাগৎলম্মু
ইবেম্মা তেলখ্রাংদি চেংঃ লাক্লগ (মালতী চংলকপ)।

মালতী :—চাবো! শান্দোকদি মেপোকে হায়।

বসন্ত :—করে করে, শরৎ চখাক্লা করমদনা ঐ হায়রা পুনা লাকনি।

শরৎ :—কল্লামূরে রে, ক্লাকাক লৈকপোন্দিবরা, লৈকনু।

বসন্ত :—লৈরোই লৈরোই (চৎখিবা)।

শরৎ :—লৈকহুবদি হায়রোইদবনি কান চাদনা থৈন লাক্লদু।
(পূর্ণিমা নেকাকনা তৌদনা ইমু চৎখিবা)।

মালতী :—ই এঃ মী ইতংগী মচৌ তম্মীরে।

পূর্ণিমা :—(থোংজিন্না লৈংথে ক্লুনা), মাসি অচৌংসিবা মী
ওয়োক্লা কে ইখিদ্রে। লাও ইমু চ হকউ।

শরৎ :—মালতীদি মমু ওইনা থনদনা তোইদে, অদুগা ইবেম্মদি
অচৌংবনি হায়না খনবিরনা।

পূর্ণিমা :—তোইকলৈবনি অদুবু তোউরগা তোউরবনি তোইরগা
অতৌবনি হায়বা করম অরেম্বা?

শরৎ : (মাইথোং থোংবা) লৈতে, ইবেম্মগী পুক্নিংদি চপাইনা
চকুপ্পা থংলে। চুম্না ফিং হংকখিবা অদুনা তৌফিক
কাওবা শাওবা বড়ি।

মালতী :—থংবিরেদা ইচেংই ইচেংদি শাওঈ মাওঙনা লোক-
ভুনবা লৈরগা।

পূর্ণিমা :—(লৈনিঙ্গবা) হাঁসি অচাংবসা তৌবা ঙমরেদা।

মালতী :—হৌজিক্তা লোকপুরিদি — ত্তে··ত্তে···তোংই অহুকপু
লোকয়ে।

[স্ক্রিন]

অহানবা অঙ্ক

অহুমশুবা উংপা

"নদী" (গোকুল, পূর্ণ চংঙকপা)

গোকুল :—পূর্ণ ঐমা ওসি চায়গদৌরিবা অসি অকুবা হাংনিকো।

পূর্ণ :—তাকপীয়ু · ················।

গোকুল :—শরৎকীলমক চুপী অমত. হায়নরি অতৈবু ওসি কাওবদা
চুপী মযুমগা বা লোইখোক্লবা ওয়ে।

পূর্ণ :—করিনা ওইরবনো ?

গোকুল :—মরমদি মাগী পুন। তিরবা নংখোইগী ব ভাবনদি
থুড়ানদি ঝা লোইখোক্লবা ওয়ে।

পূর্ণ :—হায়বদি···········?

গোকুল :—হায়বদি ঝা অসি হেক লোইখোক্কদবগা নখোই মরুপ
অমুনা থুড়াগী মাই ভাকত্রবদি মীগী মথাংদা থিবনা

করেদে, নখোইদি মাপা য়াম্না শুনা থিরবা চাইহাক্তা থারক্লিবা মরুপনি অদুনা কবিগুরা মাপা হায়না নিংনবা অমঃ নৈরবদি খুড়াদা হায়বা মা লোইহ্রিটে অসিদা তাকহৌনবা হেংনগে।

পূর্ণ :–খুড়া ইবুংঙো ! মাহুশী মরমদি থোইদোকপা শরৎনা ঐখোয়বা য়াঙ্গী পাবা লৈতে। অচপা হুগী নহাগী মরমদসু থোইদোকপা মাপী খুদিং নিংজনবা উজদে।

গোকুল :–নংঙ ঙৈং থাজদ্রি করানা খংনদগে ? মাপা শুনা থিরবা হ ঋবদি নংভনি। নংগী নরাদা লৌগনি। নংগী নহ' তাবনা খুড়া য়াম্না দুখচাইরে।

পূর্ণ :—অদুঃ…… … ……?

গোকুল :—অদুবা হায়রগদি করিগে ? (পূর্ণ খুমদনা) ইবুংঙো থাজমখোংঙ য়া অদুগা খুড়াদা হায়দু থানা পাংথবা অম নৈরবদি ঐ নিংখেন মমুমগা থং লোইখোকয়রোই, মচানা পাম্বা হুগী মমঃ মপানসু পান্থব থোকই। অদুবা মহাক্না পাংথক্ত হায়দুনসু হুগী মচা অদুনা হিদাকপু কিনা থিরবা য়াদব, খাদে জাং য়াম্না তোনবা ওইরবদি খুড়াগী মাই চোম্নবসু লোজাৱবা লাইতকপী মাইদি হেংনবা মাংদেদো। অদুবু নখবদি ইমাক কৈয়াকমক খুম্নবসু ইচাগী মনিং খুনবা মপা ঐনা হোংনখোইদোবা করি নৈ ? নৈবাক্তী মমাক্না য়াম্না চাউনা পুহোং-থোংদোংবা হোংনগদবনি।

পূর্ণ :—ঐনা হায়জবদি শরৎনা পামজব, নৈ হায়বগী নংচবে।

গোকুল :—অদুদি করিনো ?

পূর্ণ :—চসি মচানি তরানি অসি শরৎনা থবক চিনবনবা ঐগা মাপা চউন উচবিরে। মাসিগী মতুংদা করিগনো ?

গোকুল :—এঃ নংগা উনবগা অচৌদি মা অসিদা নৈংতে পতাইদা চংবি ; চসি তরানিগী মদু লেপ্লে।

পূর্ণ :—এঃ অহনবিগনা মাগা উনবা হায়দগি, কয়াইদগি করিগী ওইরদ্রে ?

গোকুল :—মাগী মরুপ অমগী অনাবা লৈংলিনি হায়রুনা চংবিরে।

পূর্ণ :—অদুদি পুত্ত ইবুংগো মাসিগী মমংদগী লেইহৌরকপা নৈদে।

গাকুল :—অদুদি পুত্ত মা লেইহৌরকপগী নংগী মরুপ লাকপা নংনা থবিবু। পুত্তনা মাগী মুখ হংলিবসি লোঙ-পনি হায়রুনা তৌবগা, হাংবা মা লাকপসি পুক্কো অদুগী মথক্তা মীগী চাওবা হাইবিবা নিংথেম মপুরনিবো অহনবি। অঃ—হয়ে। অদুগা মাগী পাম্বী পামদে হায়বগী মতা অমদি থাক্লেদে।

পূর্ণ :—অদুদি পুত্তা ইবুংগোবোইনা খন্নুনা তৌবিবু, অদুগা করিগীনু পুত্তা ইবুংগো খোইনা হায়বদু থিজোক-কদবনো ; মতো হায়রগদবনো ?

গোকুল :—হোয়দা মপানা হচাগী মযো থীবনু ! হেরো ঐগী
ইগো অইঙম্বোবিবনিদনা।

পূর্ণ :— অহোয়।

গোকুল :—চৎলো চৎলো ! নহাক চৎকদবা নমো চৎচরো, তুরাগী
চৎলগে অঙ্গুপা নংবোইনা অমত্তু অমত্তু করবা থবা শিল্লু।

পূর্ণ :— গান— (এমক নাকল নাকন্দা হেৎক থবা)

[স্কিন]

অহানবা অঙ্ক

৪শুবা উংপা

(লৌবুক)

[দুগী হচা মরাম ইগৈ লকপা]

মরাম :—তুপ্তাইনা বাব পুন্নিগী বসন্ত মোরে থংউ চেকশিল্লু।

পুন্নিমা :—থাদবা যারে ই থংবোইগী নৈকোন্দা অবেম্মা পুন্নিগী
রাধন নৈরাং।

মরাম :— তুপ্তাইনা বাবা পুন্নিগী বসন্ত মোরক্তে থংউ চেকশিল্লু।

পুন্নিমা :—দাক্তে ইনাক্তা কনানো অমা, নথকত্তু থবে মখিংত্তু
ডাক্তে হাবিংবে ঐদি থোইকৌ শাওরংদি।

মরাম :—তুপ্তাইনা বাবা পুন্নি বসন্ত মোরে থংউ চেকশিল্লু।

পুন্নিমা :—করবা যাহুবু পুৎনো মানা পাংদুনা তুংদি থংবোইবুনু
হবিবি।

ময়াম :— চুংজাইনা থংবা পূর্ণিমা থাবল যৌরে থাক্তে চৎলিয়ু।

১ম লৈশাবী :— পূর্ণিমা লোইরিব্রা?

পূর্ণিমা :— থম্বা থাংলি, নখে হৌদি লোইরবা?

২য়া লৈশাবী :— লোইরে। হৈরাই পেম! লৌ কৈদোম অমত্তং পেংবদা অদুক থূইনা চংলিব, অসিদু করি থাথনবু তৌরন লেংবগে?

পূর্ণিমা :— ইহেন্দ্রগ নখোই অমা লিং, করাগী করি থাথনবু তৌগদৌরিবনে?

৩য়া লৈশাবী :— চুবই, করাগী থাথনবু তৌগবগে মাক্তবী নত্তবা (ময়াম লোকপা)

পূর্ণিমা :— তৌথংনকহল্লোমনি নখোইগী তৌনবী।

৪র্থা লৈশাবী :— করে নংগীদি নহুথম্ব নকপনিবা চুমিং তাবগীর থেড় লৈদে। পাংগোবো ঐখোই চৎলগে।

পূর্ণিমা :— করে চংলগো, ঐখোইগীদি তাখোন্ন যথা ওথংবা লৈবনা তোইনশু লাকপা ওমদে লাক্লিদেদা থম্বা হোংনহৌরিগে।

১মা লৈশাবী :— পূর্ণিমা নংবু ময়াম পংথক-থম্বদা, মাগম্না হৈহে হায়হনা তে্কনিদা।

২য়া লৈশাবী :— নংনা পূর্ণিমাসীথমক্তা থাবিরিবা, নপাসীদা হোংবোবা। নাগম্না থাগদবা হায়বদু নখোই ঐখোই-গনে মীগীদি নাগবন্ন খেন্না লৈতে।

৩য়া লৈশাবী :— করিগী?

৪৩বা :—ডাক্তর (মরাম নোকপা)।
২৩বা :—(ইশৈ শকপা)

'ইশৈ'

ঐ চিঙা হৱণিবা মালংবা ওঃ
ভৱনগী মপাও নৈরাং কাপা
থাংবল পাবেন অচৌবা,
চিঙা উরিবা লেৎপুনা,
পূর্ণ নৈরাং নৈবন চহুমি।
চিংবগী ঐকাংওবী দিংচেন ওঃ
থোংলবি নৈকাপা চুপনবি নৈহি
নৈরাংগী মপোক মতৈ পাৱবি।
লেংকচরো নৈরাং কনকরো নৈকা
লাংচবি লোইবা, উপনি মংবা। (চংবিবা)

পূর্ণিমা :—মখোই মমাগী চংলো বাহনা চংহনবে হুমিং ডাক্তরকোরে লোবুক অসিদা ইত্তোমতা নৈরসীগু।

[শরৎ চংলকপা]

'ইশৈ'

শরৎ :— ওঃ <u>দিংচেন মাইতোম শাংদিবী, চিংকবিংই নৈরাংওয়া, হেকচবিংই নৈরাংওয়া।</u>

পূর্ণিমা :—কাওগনু নৈরাং থনংবী ওঃ অরেম্বা মাইথবা থোইবুবি; অরেম্বা ওইনি, হুংনি পুলোন। ওঃ দিংচেন শাংদিবী।

শরৎ :—পাম্বু লমদম য়েংদুরসি, প্রেম পাক্লিজাং লৈবোংদা নুংশি হারী ওঃ শাকরম্বি।

পূর্ণিমা :—ওঃ হায়বিদু নাখিবা মাঙ্গবা ওঃ থম্মোইনা হাং লাইথক নেম, থবকতৌ লৈরাংগী পুন্সি।

শরৎ :—নুংশি ইবৌ লাংলবা ঐনা নুংশি থুমোংদা নিজরিবা ওঃ প্রেমগী লাইরক যাজরি ঐনা ;

[উইথ লোইরগ]

শরৎ :—পূর্ণিমা !

পূর্ণিমা :—(থুমদবা, হৈকাইনা নুংশিনা য়েংথেংদা)।

শরৎ :—পূর্ণিমা ! ঐনা ভিক্ষাগী থুলি পায়রনা প্রেমগী ভিক্ষা নিজরগা মতম কনা থুইরক্লে। অদুবু ঙসি থ'ওবা থুলি মথুক হাপনি। হায়কথ নত্তনা পাক্লপ লৈকত্রবা ভিক্ষাবিবু নুংশিবিরোইদ্রা ? অরেম হাকৈবু তাহল-রোইদ্রা ?

পূর্ণিমা :—অরেম্বা হ'.......... ?

শরৎ :—মসি অরেম্বা হাসি—অরেম্বা না নত্তনদি ঐগী থম্মোইনা খা'বা ওযদে। তারকতৌরে থাংদবা কাওবদা নোংলৌ-কীনা নোংবু চাইওযদে। অরেম্বা থাংদনা ঐহাক্তি করম্না পুক্লিং হীংগনি ?

পূর্ণিমা :—চিংথুং মাথুং নারক শিংলেক থাংদিবী করিনু লৈত্রবী ঐগীদমক্তা অদুবোনা অমা তৌবিরমগনি হায়বা কনানা থাজহনা অথেংবা হায়বা ওগদবে ?

অদুক উরাইবক ফংদি করম্বা লাইনা তথোরবগদবগে?

শরৎ :—মীনা খঙ লৈকোলদা শাংগা লৈরাংদি করি কাগদব, ঐনা পাবক্তবদি মপোকপাগী নিংথিজবা লৈকোল. ইংনা চিঙ্গা শাংলিবী লিংজেল অদুভুনি; নাকপিংলক্তা শাংচবনা মাগী মপোকপা ওইরিবী কেতুকী কোথী লৈরাংবু কনাগা পামদবা হেকনিংদবা য়াওবগেনে পূর্ণিমা (মখুৎ পায়থ)

পূর্ণিমা :—অদুবু…… ……………… ।

শরৎ :—অদুবু করি… ……………………?

পূর্ণিমা :—খাৰৈগী ভাত তোরবী লৱাই চঙু চিংলবী পলেম পম্বো লৈত্রবী লাইবক থীরবী ঐহাক্তি ঐনা করাগী মতিক তুংশিজবা অদুবু তুংলমা, অদু মপুং ফাবা ঙমজদে।

শরৎ :—করমদি……………… ।

পূর্ণিমা :—করমদি ওইসে পাম্বীরিবা খুদোল অমি করিগুম্বা মতম অমদ……………… ।

শরৎ :—খংদোকনী অসিরা! হাঃ হাঃ হাঃ মোথোন লোকপা মাইথোংনা থাজ কোচিবু চেনবা মণিপুরগী মতৌ-ওঙ্গা ঐগী মথলবা পুজিবা অনৌবা মচাল অমা পিথবা অদুগুম্না তাংলবা মণি অদুবু করম্না থাদো-কপগেনে পূর্ণিমা! কৌওইবী লাইরেম্বী অমদি পূর্ণ্য-দেবনা মাফী ওইগদবু নহাক্না থাহাইগা পিরবা তারবদু

মাই ওননি থমুগনুকো পূর্ণিমা। যদি কাওবদা ঐগী চিংনবা কোকনৌদিবিরোইরা?

পূর্ণিম :—থোনাও অমা এক এক কাংবে, লৌখুক্কা লুনো চেপ্পবা ইংনবা ঊর্দিং অসি—।

(শরৎনা ঊর্দিং লোক্কুত্না পিথকপা)

[স্ক্রিন]

অহানবা অঙ্ক

ওত্তবা উৎপা

"লম্বী" (গোকুল পূর্ণ চংলকপা)

গোকুল :—ইবুংঙো ঐনা নঙোন্দা হৌজিক্কি হায়গদবা হায়বদু বা লোইনদ্রিবৈদি লোইবরিবৈদনি, হৌজিক্তা লোই-নরবনিদা নহাক্না লোয়নবা থবা হোৎনৌ, ঐদি করাদু লৈতে নংনা থংদিবা অদু নহাই।

পূর্ণ :—হয়নি; মামা ইয়াক শাক্তবা অসিদা!

গোকুল :—মা ওয়াং শাকপনি, ওসি অমুক চংকদি হায়রকপ ত্তোই। নংগা অমুক্ত উনবৌ থেক চংথোকপিদ্দা উনবৌরোই।

পূর্ণ :—হয়নি।

গোকুল :—লোইবা মাথ নত্তে ইবুংঙো মা লোইবা থক্তা

ইকাইকো, নিংথেম মমুগা কয়া কত্থবনো খাঙ্গ্যাছুনা তাঙদি "ঐখোইদি নিংথেম মচানি হায়জনগা থেম লৌছবা ইচা মোনবা তৌরোই, লৈথা তমথা লৌরোই অহংগা মাগী থাংজ ফিরেমচিংবা অচৌদি খাইদেনী অহল লম্জন লৈরিবা কৌবনিন। মা চাংজকপী অহুম থেম লৌবা লোনবদি ঐপী ইনিংনি অসিনিসে কয়া-দা কতথবনো ঐখোইগী লাইবক কয়া কথবা তান কয়া চাগনবনো ?

পূর্ণ:—থেম লৌরগা মোনবদি হায়বদি—।

গোকুল:—অচুবনি, মচা চুপী থাজবদা থেম লৌরবদি মচা চুপী অচুম মোনবা নত্রবো, থেম লৌরবা মচা চুপী অচু মতম অথদা গ' চাংকয় লৈরোই, অহল লম্বন মমাগ খুগদবনি। চরোং কমিগুবদা ইমুং মচুং থংবা চৈনবকপা মতমদা নিপা অচুবা চুপী অচুবু নংথু অকৈবা মীনাই নত্র হায়বনচিংবা অথিবা মাহৈ কয় চৈথাংগনি, মসি খাখ্যা অসি নিংথেমচামজ ওইরবসু কয়া থোকহন-নিংদে। তান তাই মপামীতা ওইজবা মেংহুনা মচাগী মায় থুনবা হোৎননিংদে। মসিগুবা লোনজবা অসি ঐখোয়গী কয়া লাইবক কথনো, অমুক পুকচেল চাওবা অসিগা চাই থেম ওইবু কমাকা তানবা কংগনি।

পূর্ণ:—থংজরে, ঐ মাপা অমুক্তা উঅজকথিগে, অচু, চুপিদি তপীরবা—কয়া মায়…………?

গোকুল :— ভয়নত্রি, পাঙি অমুক্তং লেংলুহনঃ থগ্নপনি, করে অহৌদি
নং অমুক্তা ইনহৌক, ঐস্থু থৎক অমা চৎলুখিগে।

পূর্ণ :— করি।

গোকুল :— ইবুংঙো খোঙ্‌দনবা থম্মা চোংনৌকো।

পূর্ণ :— করি— । (গোকুল চৎখিবা)

(পূর্ণনা থাবল থম্মা হেংংদমলগা ওহাক লৈরগা মমাঙ
লৈহনা চংকে হৌবা শরৎ চংলকপা)

শরৎ :— পূর্ণ— ।

পূর্ণ :— শরৎ কদাইদগে লকইদা হায়র অহুম?

শরৎ :— মারি— ।

পূর্ণ :— কম্মা কুইনা অমুক লৈরকখৌরিবা?

শরৎ :— কুইহনবোই, ঐ ওমাই নহোঙ্গা অতকপা শাও অমা
ভয়গে হায়দুনা নংবু থিরম্মী, নং কদাইদা চৎখোকইরে?

পূর্ণ :— ঐ থৎক অমা চৎখোকইরে, কদি অতকপা পাউনো?

শরৎ :— অতকপনি, অতকপা ঐগী পুক্নি অসিদা অমুক ওকপা-
হোৎনরকঙ্গি, খোংনগানি হায়বগু থম্মগে।

পূর্ণ :— করিনোনে অতহো?

শরৎ :— নংমু তাবদ ওন্নি অসিওম্মা অসি ঐগী থাবল লৈরংগে।
অতুং লৈরকনি হায়বগু থম্মগে। করামা হায়বা
ওয়গনি! মীওইবগী অপেম্মা যৌবনগী মতম অসিদি
হায়রম্মা তাক্লম্মা নাইদনা খম্মোই অসিদা থংহোইদনা

প্রেমগী রাজ্য লিংবংবি! পূর্ণ ঐহাক্কী থম্মোইদা
কনাগুম্বা মপোক কায়রবগী শানৌ মমগী মমি তাবে।

পূর্ণ :—শরৎ— ।

শরৎ :—মাধি অচুম্বনি, চুপ্পা মথি ভাবিবদা নত্তে লোংচাথীগী
মতৌঙ্গা নোংম নোংমগী থম্মোই অসি……।

পূর্ণ :—শরৎ—

শরৎ :—ওকনি ভায় ! নংনা থাকয়োই হায়বা ঐ থংই মরমদি
মথাংতোদা ঐগী অসিগুম পুকচেল লৈরমদে অদুম্ব
ভায়! ঐনা হায়কা থাকৌ, ঐনা ওসাইনা হায়বগা
অডনি, হৃদক্কী অসি ঐগী পুমকক ওকপবনিনে।

পূর্ণ :—লোইত্তবা শরৎ— ?

শরৎ :— ঐনা কয়াক নংতোপ্পা ওইদবা হায়বগে মরুপ
অহুপা ভায়। মূহোপ্পবা তাবে ঐখোইগী পাবুং-
থোয়না নম হবৈকা হায়দুনা থেকা তৌরক্নি।
অদুনা হেক্কা চেৎলগে।

পূর্ণ :—(মখায় দুকথবা)।

শরৎ :—কদি তৌরে, মখায় দুকলিবদি— ।

পূর্ণ :—ঐতোপ্পা ওপোকপা অয়াবা রাকন অমত্তু তাহনেপা
শরৎ।

শরৎ :—কদি রাগপৌরিব, মরুপা দুংতাইরপা দুংতাইপবগা
নহংনা কদায়গী রাগপৌরিবনো?

পূর্ণ :— নংনা হায়বা অচুম্বনি মংনা দুংতাইরপা ঐনা হেয়া

খুংঙাইগদবনি। অচুবু ঙসেক নংনা খুংঙাইবা অসিদি ঐন পুক্নিং চুম্মবদা হয়াওবগা লোইননা খুংঙাইবা চনখ্রে শরৎ।

শরৎ :—যদ্যপি.................।

পূর্ণ :—যদ্যপি ঐখোইনা খবরদগী নংগী ঙসিগী থাজী অসিগা ওয়োক্না থাদখরে।

শরৎ :—করিগী ? করি খবরদুন ?

পূর্ণ :—পাবুংনা নংগীদমক্তা চুপ্পা অদা হায়রকে।

শরৎ :—হে অচুপী ওইরে, অদুদি হেক হায়দোকখবগা লোইরেদনা।

পূর্ণ :—অচুবু শরৎ—না পুরখক লোইনখরে। চুমিং অমম্ম-চবদা ঙাইরবনি, মাদিদু করম্না হায়দোকপগে ?

শরৎ :—করিগী লৌকিক মতম যাম্না লৈরি। মোদি মাইকৈ তৌখরবা মতুংদা কাওবা হায়দোকটনে। হন্দকী অসিদি মাচুম্মু নত্তে, মাসি হায়দোকপদু করি তোইনা হায়বগে ?

পূর্ণ :—করে, নংনা হায়রিবা অদুদি কদাইরাইদগীনো নংনা লৈরকবা অচুপাইদগীর ?

শরৎ :—অচুপাইদগী নত্তে, ঐনা লৈরিবা ইচুং অচুপনীনি, ঐগী লাইরিক তম্বিরিবিদগী মরূপ মনা হায়বদুগী মচননি।

পূর্ণ :—মরূপকী মচন ?

মরুং ঃ— যাদি মরুপঙী মচাগি, মরুপকী মচশ্না মতোম্বা হাংথ থনবা হৌরদে হায়বদি মমাংতৈবগী হৌনা থম্লকই। অদু ওবোকপদি পূর্ণ! মরুপকী মচাগি হায়বা থংজিতৈগী মমাংদা মাগু থেক উবদা ঐগী থম্মোইদা অসিদি হায়বা থাজবা ইথক অমা লৌথি। মাহ-নগীদি মরুপকী মচাগি থংনবা কাওবদা ঐগী পুক্নিং থাথ ওমথিরে। ইচেমা ইপাক ওথওম ঐগী থম্মোইনা তাইওমদনা খেংগী পশুংকম ভয়রগানি। পূর্ণ ঐনা মাগু লোইদনা লৌগনি। পুন্সি অসিদা মানা ঐগী অক্তা তাইবরা থম্মোইগী নম ওইগনি।

পূর্ণ ঃ— অহৃদি..........।

মরুং ঃ— অহৃদি নত্তে পূর্ণ! ঐগীদি অরোইবা হা হায়রিবা অসিনি। মতাক নত্তনা ঐগী থম্মোইদা কনাওবগী গদি কাওবা তাহরোই। অদুনা নংনা পাবুংদা ভমহনা পাও হায়রোকহন্লো, মকথা অমম্ব অমম্ব কাম্নবা থিনথি ঐঙু চৎলে।

পূর্ণ ঃ— অদুবু মরুং..........।

মরুং ঃ— অদুবু নত্তে পূর্ণ, ঐগী খাদা অসি পুনাইবগা অদুগা পাবুংলোই নলোইবা থওইদদুনা নমহাথগী ক্লিবদা তৌরবদি ঐগীদি হায়রিবা অসিনি, ঐগী পুকচেলদি পাবুংলোইনা অরবনু নংঙনদি থই, মহুসু থাউ, ঐ চৎলে— (মরুং চৎখিন্না)।

পূর্ণ:—শরৎ! ও ইবো! (তাবগিদা)।

[স্ক্রিন]

অহানবা অঙ্ক

৫শুবা থৌংপা

[যসন্তগী মতম]

পূর্ণিমা:—ইমা ইপা শকনা মাঙকোনবীরকুবী, মচানা নাপী নখাইগী থাদোকুবা চংচবদা মীয়াই হাঙনা মচাবু থন মথুকো ইমা। মাইবক থীবী নুপী ওইবগী মপোক ওইনা পূর্ণিমা চুপ্পা নাপী মেপা তাংবা কনববে। ইমা ঐহাক্তীদা কেংদনা অমতা হাইবনা ইবুংগী অমাক নৈমা মাংথ'নদো মযাক্তগী তমখিবা থীনোকপা ইবুংগী নৈকম থংঙাইদো। ঐগী হাপ্পা কেংদনা মীগী নপোই-থদা কেবা, ঐগী থীগী নাইবা মমাং অমিদা মাইকপা ইবুংনা চিক পোংদুম পুবদো, পাংজবা নচানা কোংগনা থাংবা ওথকদোই। অদুগী মথক্তা নোংদম থীবা থিঙিনা মাইহননি থংবিদা ঐগী ঊকম পাংহত্রি। মাইকপা ইনাক পুনবা মারকা হাজবা তাইবং অমিদা মাইকপগী শরক পুকজবা ঐমধু মাইকুক থীবিদা

মথক অংঙ্গবে। নচায় চাংবোগখুকো ইমা! নচানা নপাইশোন থাদোকপদা নোঙ্গ বিদায় পিনবিয়ুকো ইমা! (কোর কৌরদুনা মালতী চংলকপা)

মালতী :—ইচে! ইচে!! তাংবো শরৎ থাকব্রিঞ্জা?

পূর্ণিমা :—থাকব্রি কব্রিগনো?

মালতী :—কব্রিগু তৌবে, থেংঙোই ইচে, ওয়া তাবো শরৎনা ইথৈ থমা তাই হমইদো।

পূর্ণিমা :—করি ইথৈদো, অদুগা শকউনমা, ইচে তাগে।

মালতী :—অদুবু চন কাব্রি।

পূর্ণিমা :—কাব্রবগু শকউবে, শকও।

মালতী :—মীনা কাব্রি হায়বগা, হঙোং শকে।

পূর্ণিমা :—মালতী নং নথোইবী তাবো শরৎপু হুংশিবর?

মালতী :—হুংশি............।

পূর্ণিমা :—হুংশি হায়বা (মনাওনিংশিংবু কৌবগা)।

মালতী :—হুংশি, থাদি মায়া দৈ, ঐবু দুনা তৌই।

পূর্ণিমা :—ঐবুদি হুংশিজা!

মালতী :—করিগী? নংদি ইচেনি, অদুনা হুনা কাপদি থাওনিংই।

পূর্ণিমা :—মালতী! ঐনা করিগুম্বা হুং অসিদা দৈনজবদি নং কয়ম তৌগনি?

মালতী :—কয়ম তৌনি, ঐনা থোংনাঙ্ক হাইরব শোংখ্রি,

কৌ ওনি, চাক থোংলগা অ'মোগা ঐগা চাগনি ঐনা অামোগী সেবা তৌগনি সিজাইদনা, নংদি করিগী নৈরোঃরোঁরবা ?

পূর্ণিমা :– মালতী !

মালতী :– করিনে ?

পূর্ণিমা :– করিসু নত্তে। (মপী শিখগা)

মালতী : ইচে, নং কপলব্রা ?

পূর্ণিমা :–– কল্লে।

মালতী :— কপ্তু হায়র: ?

পূর্ণিমা :— মালতী ! নং অ'মোগী সেবা তৌনিকো !

মালতী :– তৌগনি, ঐনা সেবা তৌবা ওম্নোই হায়দুনা কপলিবরা ইচে ?

পূর্ণিমা :— নত্তে, মালতী নত্তে।

মালতী :— হায়বু অহৈবি করি তৌরে – ইচে না অমা হংগেলো নং তাকত্রা ?

পূর্ণিমা :— হংউ করিগী তাকনি ; করিনো ?

মালতী :— নহাক তাদো শরৎ খোইদা নৈখ্রগনি হায়রিবসি অচুবত্রা ?

পূর্ণিমা :— করানা হায়রিবা ?

মালতী :– ইচে তোম্বীখোই ইচে কল্লাখোইনা হায়, অচুবত্রা ? ইচে— ?

পূর্ণিমা :–(খুমদনা)

মালতী :—ইচে নং হয়েং তাবো শরৎলোইদা মৈথবা অহাও
অপুং থীজগদা ইচে!

পূর্ণিমা :—করিগী পিজদনি ইচেমা ননিং ফুংনবা থীজগনি।

মালতী :—ঐখোই তাবো লাকয় ইচে—।

পূর্ণিমা :—(হেংলগা) ইচে চাক থোংনবা তৌরগে চাক
থেংরে (ইয়ুং চংখিবা বসন্ত চংলকপা)।

মালতী :—তাবো নপাসু চৎলে হায় অহৌগা লোংতানবগা হেক্তা
চংখোকখিবসিবু নায়গা ঐবুতা হায়নগদবগী তৌ-
রিবনিদকো।

বসন্ত :—হোয়নে, ঐনা নায়গা নংবুতা হায়নগে হায়দুনা,
তৌরিবনি (পূর্ণিমা সনাবুন পুক্না থোকখিবা)

মালতী :—ঐ মৈরিবকবৈদি তৌতৌরে, নংনা পিদোকবদৈ
নায়বসু ইচেগী ঐমনা লেবা তৌগনি। ঐখোই
মৈরবদি করামা লেবা তৌগনি। ইনখা অমা
পুরকপসু লেপবা তাবো, অশৈবনি ইনখা পুরক-
উবা (পূর্ণিমা চংলকপা)।

বসন্ত :—উঁহ, মালতী নখোই কাওবা চানিংতাই মৈতবদা
ননখা পুরকলগা করি থীজগনি ফুংদিং পিজবা
য়াবা মতে মালতী।

মালতী :—করিগী মাবু ঐখোইনা চাক চায়ো হায়দুনা খার্তন
তৌবসু নত্তা নয়াইনা লোমদুনা চাকগনি, লোম-
জগা চয়া হেনবনি। সিদু নরব য়াবিরিবা?

বসন্ত :—হরে ফুরালি মসো ঙোকপোয়েগে ঙোক্রা খমহি ঐ
না অমা হংগে, বং নুপোমচা নজেন্ন হুংশিনবা ?

মালতী :—হুংশি।

বসন্ত :—নচেনা নংবু হপোকতমহনা হংখেতুনি মহাক করম
ঙোউগনি ?

মালতী :—ঐ হুংজরইগনি। মীনা হায়রিবদু ওচেদি তাবো
শরংথোইবা দৈবগনি হায় চুবরা ?

বসন্ত :—করিনো মানো হায়রিবা খঙবু, করিগুম্বা থোক্লবদি
মালতী ! নচেনা শরংথোইবা দৈবগা থোকলবদি
নং পায়বা ?

মালতী :—করি পাম্মুনি, ইকুনা হায়রা দৈবগা ঐবু অহাও
অহাওবদ পিজগনি ইকৈনহ তামো শরংনহ ঐবু
দুনা থোই।

বসন্ত :—হাঃ হাঃ হাঃ মালতী করিগুম্বা মকপুবদা হই
চুনবা উবরা ?

মালতী :—উবে অদো কুন্মন্দ্রবদি, উবুনা।

বসন্ত :—ঐম, উবা হাই, অদুগ মালতী চৎনরিবা মায়। অদুগী
[illegible] [illegible] মচানা [illegible] [illegible] পুনবা মীনা
পাইগে তাং অতোনবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] মনাক নককোইরে। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] পুনবা মীরি, পুন্সিনবু অতোনবা পাইবা
লোকপী, [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]।

মালতী :— ঐ মো থরংনি ঙাঙা............।

বসন্ত :—মুংশি, মুনা তোই, অদুবু মীহুৎশি বনেবা নুংশাক লৈরী। নুংশাঙনা লাইরবদু থমক থাবিদে লেংশা চাবগা মনিং পূর্ণিমাগী ইচেম অপাম্বা নবেনদা চংচরকপদা মাহুবু ঐনা থিংবা ঙাংগনা ? ঊম অহুইনু থবক্তা মমা মপা টৈঁকদবগী মনিং পুংনজিবগা হায়না ঐবু থাবোৎবগী ওঃ মালতী ! হায়দু মতম অমদা ঐদু হাইনগদ্রা ?

মালতী :—করিগী হায়দুনি।

বসন্ত :—মালতী, ইবুংগো হৈবেদা।

(মচানবু কোৎবিদ)

[ফিন]

অহানবী অঙ্ক

৭ওঁবা তংশা

"গোকুলগী মহুন"

(ভুবা ২ নর্গিলা চংলকপা)

নবিন :—(লোলেবহনা) ইবুং অসিবু করিগুম্বা অমতা হংজগে ?

ইবু :—(ইবুংদগী লোনহুনা লোংকিন মপান্দা কেদদা) হেঃ লৈকের্দে লোংথিনবিরকউ।

(মোকথুনা ইপু মোক্‌ থাব) অহোঙ্গা পাক্কেন তৌনা লেংখৎনবিরকত্রেদা ?

নদিয়া :—করি য়াবো ইবেম, মীশী মপু নৈবা ইংখোল্দা চংবদু পাক্কেন তৌবা য়াবরা ? ইমন ইপুগী য়াম্না নৈবা ইপাকন ইথোনা কমদু নম্বা ইনক ইতো ককম্দু নম্বনিনা য়াম্না কিনা চংজরক্লিবনি। মী-ওইবনিনি অথোয় অহেনবদি পাখক্ক, হায়বা মপোক-নিদা ইবেম্বা।

ইপু :— একচরে বাদসি থিং তৌখিরকপগী পুবোং হাপ্লুবিগে (চত্তে তৌবা)।

নদিয়া :—ওয়, হাপ্লুকদু, ঐ হুইয়রোই হেক পাকথুনা অরেবা চোপনবি।

ইপু :—হেঃ অহুমী ওইরবদি পাকথিরোই থবক অমা নৈবীদি থরজে।

নদিয়া :—থবক নৈবগী নংচদে, থবক্তীদি করিকা ট্রেনবদে, ঐশী থবকপু করি নৈরুথিনবগে ঐদি—!

ইপু :—অহুদি ওহাঙ্গা কমথিবো হুইজরোই। (মহুং চংথিবা)

নদিয়া :—(মপানপোমদা কোইরোং লেংবা) ঊম পুককোল থারো ওহাঙ্গা ইশাদি হুই থদেন্দা। (ইপু থিনাক পুরুনা থোরকপা) শরৎপু অমুক্তা পাকথিরবা ?

ইপু :—[illegible] পাক্লবী ওহাং অমুক চত্লে।

নদিয়া :—মাশী মুহোংবদি করা হায়না হাংনিবগে ?

ইন্দু :—থংদে অহুপী পান্থি লেংখনি হায়দুনা ওসাই চংখিবগী
লৌখিক কাওবা হায়কত্রিব: অসিনি।

নদিয়া :—ঙন্দরী নুংহোংবা অসি ঐদি ইথোক্না পাকত্থিজেন্দা।

ইন্দু :—করিগী ওইরবনো?

নদিয়া :—অহুরু অমুক হায়খিজা লৌখিক? মপা মচাদা লৈরিবে
অসিদদি মথোইনা চংখোকখিবা তান চেং লেংহুনা
চংজরকপা ওয়কী। ইমুংদা লেংবনা লৈশবনা মী
অমা নাকনবদি মসি কপালগী মাপদগে ইথে মনীদি
থবক থোক্নবা ইথৌ অমা লাকথৌখিবনিনা অদোম
করিনু লৈরক্লোই।

ইন্দু :—ওথোক অথোকপা ওবা লেবা মুংডাইকোইথৌখিবনি
থবক শবা নিংবা মুংথোইদবগী শককপুদি থবক
য়াবা ইপুন থিবা লোয়না নিংবা মুংবনা মুংডাইদে।
অহুরু মহুনি হায়দুনদু থামওইবা ওবা পোত্তি নত্তবনিনা।

নদিয়া :—হোয় মাহুনি, মাহুগীদমক্তা হায়রিবনি।

ইন্দু :—অহুপি করি তোৎলে, ঐখু নিংথিখিজবদি থংজে লৌখিক
নিংথিখিবা অসিওয়া নিংথিরবদি কনানা থিংবা
ওমলদে? মতম মতম অহুগীদু ইখয়না অহুম: ঐখু
মীয়াইথিখিবদি।

নদিয়া :—হে মীয়াইগদি হায়বসিদি অনৌকপদু ঐদি মদা :
কাওবা মংবদে। পাবোকপা ওমোই, কাওবা ওমোই
হায়বনীদমক্তা অসি লোনা পাকতবনি।

ইন্দু :—হোয়রে ২ কাওব ওয়োইদে, কাওবা ওন্নবা অইনদি
অহুক হুইনা ২ লোৎপিরিবা অদি।

নদিয়া :—অহৌগী ঐনা ওনাইনা হারওবা অহুনি মপু
পানবদিনা তোইনা লাক্পা কাইওবা থুংসি ফুনাহো-
ন্নবী কথকুংদা লোকুংজা তৌজবনি। তুমিংনৈনা
মমাইবোৎপোক পাংবগী মতম নৈবথিরিবা মাইকৈ
অশোয়বা ওন্থুনা নৈজবিবনি। তাকী থজিকংদা
কংবগী মতম চাইং চাদে থম্মনা ঙৌজিকচু লাকচরিবা
অসিনি।

ইন্দু :—থাকৈদবকো সত্য।

নদিয়া :—থাজবিয়োই থাজবিয়োই, অচুম্বি তুমিং দা নৈরিবদা
মতম অমদা কবিরকনি (মমাম্ন চুকথবা)

ইন্দু :—এঃ লাওরক্লে?

নদিয়া :—(লোকপীরগনা) কৱিবা লাওরকপদে। তুমিং অসি
কনা লেংজিল্লকে ঐগী চংলদে।

ইন্দু :—কনি লৈংও, অহুকনিবা পানপু নৈগু হাজেদে, নৈলোইদে
লেংলক্লি?

নদিয়া :—ঐনা অয়েংবা মতম হায়দা ওন্ন পজিপু নৈজখ্রে,
থগা লেংথনা লেক্না।

ইন্দু :—হোই লোইরি, তুনা লেংথিরকউ। এঃ লাকপু লাইবাঁ?
কসিনো মখোল অমা তারদা।

নদিয়া :—লাকপু লাওদ্রে, ঐ থকদ কৌরদে?

ইন্দু :—হিহন মতা অহনগু মুখা লেপ্পীরকনীবা ?

নন্দিয়া :—হো ঐদি লাক্ত লাকচরোই নিংঙ্গুরে :

(নন্দিয়া মোকথুনা থোকখিবা, ইন্দুগী মোকহৌরে মুখা তেংগুরগা, ঈপৈ হংনা থোরানচিংবা পূর্ণিমথুনা চংশিকপা, অহাক লৈরগা নাকল অমগোমদগী গোকুল চংলকপা)

গোকুল :—পূর্ণ লাকলমগ্রা ?

ইন্দু :—হয়িদি লাকখরদ্রি।

গোকুল :—(ফিরোল লোংখোক লোখোক্লা) ইমাগী পেন্না মীনা কপ্পা মায়া লৈরম্লবা মরাম অদু লোইবা হাইবদা লেংলবনি।

ইন্দু :—করি তুমিত্তা তারগদে ?

গোকুল :—তুংগে হন্ডৌ পা সীরগা থোরকপা মতানি পানবা অদুনা।

ইন্দু :—হাংদিদনা অদুদি।

গোকুল :—কদায়দগী হাংকদগেনে, তুমিংনা হায়কদবনি, অমা অমা পেন্না শাবা অসুম থবক্লা কোনথোমদবনি করামো নোঙ্গীশদবা অদিবু।

ইন্দু :—সিকাই মরি মতাদং হায়রগা নোমহনসিঙাইদনা ?

গোকুল :—সিকাইবু নোমহনবা হায়বদি লৌজিকী মতম অদিনা থরজে। মহাক কদাই বাবুখোইপী আকত্তা সিকাই থম্ব থবক নোমহল্লু.র হায়রে অদুনা এজানা পংতাংদা

ঙাংবৈ, মখোই মখোইগী থবক শোয়বা ভনব পিজহনা থম্বির সিংরাইগা কৌ হায়জনা ঙাংবৈ হায়, মমাংঙৈগী মতমদুদি পাংবা য়ায়বা, ঙাংখিবা হেংলিনখিবা নৈরমলেলো, হৌজিক্তি মদু য়াদে। মালিগী থম্-মদদি ঐদি পোন পীহনা মী লেকপনা পাদে; হোয় খঙহনা হেৎলবা হায়বহুনি। কদায় ঐ ইরুকপগে (ইম্বু ইবুং চংখিবা পূর্ণ চংলকপা) পূর্ণ! কমদোগে মাবু ওয়াং উনবোজবা?

পূর্ণ :—উনজরোই, ওয়াং খুড়া ইবুংগোবু পিজগনী।

গোকুল :—আঃ ঐ ওয়াং থবক চৎনুবগী খেংনা হৌজকলে অহন!
কবি কবি হায়নরে, য়ায়খবা, ইপাদি পাজিলীগা চৎনুবগী হৌজকপদা ঙাইরমই।

পূর্ণ :—খুরা ইবুংগো। (মখা তাবা ওয়াখল)

গোকুল :—কবিরো মাবু খেরা তৌরবরে?

পূর্ণ :—মাজে খুরা ইবুংগো হৃদয়গী মালি অহোঙ্বা ফুরে।

গোকুল :—মাখোই মহারোগদগী থোনবা দুখ পিরোইবা হায়বা অহুনে?

পূর্ণ :—অহুনা………।

গোকুল :—অহুনা কদি?

পূর্ণ :—মহাদ ঐনা হায়জখিবা অহুনি, ঐনা উনখিবা থবক অসিদা কনিজবা।

গোকুল :—হায়বদি দুখ পমা!

পূর্ণ :—য়াদি।

গোকুল :—য়ারে, অদুদি কয়ম তৌগনি। ইমুংতো নানা থবক অসি হাকম অসি তৌনিঙ্কদে হায়রা?

পূর্ণ :—হায়কদে মহাকী থেম্বোকুমা ঐনা মকপ অমা ওইনা ইনকী মহাক লম্বা হায়বা অসি ইন্দু হায়কপদু নানা মনাগা হাপথিজে মতমদা থেংহনা নৈবদি অদুনা লোকী অসি হায়লোক থোংতোক্কবা তৌবীয় হায়রী।

গোকুল :—হৈম, অদু তৌরবা কয়ম তৌগনি অসিদে? এং ঐনা নিংথেম মনুংদা হায়লোকউবা, মীনা ঐঙু কদি হায়নবিগনি! (ইন্দু কোন খুটে পুরনা থোরকপা)।

ইন্দু :—মনাগী মরাংদি তাবিগো হায়কদু লৌবীমথদবদি কদাইদগী অসি থোকখে, অদুনু ঋণী য়াদি হায়রনা!

গোকুল :—ইচাদি ঐনা হায়কবা ইনগনি অমুবা মাণী কনবদি হায়না হোৎনকপা ঐনা য়াথম থেরবা তাবরা? ইম; পূর্ণ ঋণীতা অদুদি কনাগী মচা মতৌ?

পূর্ণ :—ঐঙু অদুক খুংদি থৎকে, নানা হায়বদি নানা অনাথা থেংদিবা মকপ অদুগী মতমদি হায়।

গোকুল :—নহাইদগী।

ইন্দু :—নহাই ঋণী মাই মাই ঐনা নৈমিরগা অজরোই।

গোকুল :—বয়ে ২ পূর্ণ মহু ওইথোক্কবা য়ানী, নং নহাইদা চৎনা মাতৌপা নিংথিনা হায়বু খুৎহোংবা তোকপা য়াদে।

মাগী বাখল অসু অমানবনি হায়রু (নিপা অমা চংলকপা)।

নিপা :—গোকুল বাবুগী য়ুম অসি অইরবরা ?

গোকুল :—মাসি করিনো ?

নিপা :—আসামরা মাইবম পূর্ণ লাকপর ?

পূর্ণ :—ঐনি করিগী অইরবনো ?

নিপা :—এ ঐ য়ুমদসু গোকুলদে চিঠি অসিমগা লৌথিনরিবু। অথুবনি হায়রকই। অদুনা (লৌথোকচুনা শীবা) ঐদি চংজগে।

পূর্ণ :—করি লৌরিবনো (চিঠি পাবা নিপা অসু চৎখিবা)
(পূর্ণ মাইথোং যকথিলনা)।

গোকুল :—কৈদৌরে ইবুংঙো করাগী চিঠিনো ?

পূর্ণ :—ঙুস্তা ইবুংঙো, শরৎনা পিরকপনি।

গোকুল :—করি হায়রকই ?

পূর্ণ :—সূগী মচা অমসু ওয়াংমগী মচুং ইরুকএ হায়।

গোকুল :—চেচক্লে— !

পূর্ণ :—অহোয় — !

গোকুল :—শরৎ — ।

[ড্রোপ]

[illegible]

[illegible] দৃশ্য

—[illegible]—

([illegible] নদিরা [illegible])

নদিরা :—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খুদিলী [illegible] [illegible] [illegible] চংনয়ণা হবনা [illegible] উপায় [illegible] লেগে। [illegible] চখোকক-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তোমি [illegible]

ইন্দু :—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হেক লাকচৈদনী এসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ভনা খনছুনা লৈযবনি। মানদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নদিরা :—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাকমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

ইন্দু :—কবি [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

নদিরা :—[illegible] [illegible] লৈযোকপনদি [illegible] [illegible] [illegible] উপায় [illegible] [illegible] ভাই।

ইন্দু :—উপায় লৈরবদু মহাকপু হুম অমিদগী তাহোকনবা হোৎনবা নত্তবা অটৈ লৈতে।

নদিয়া :—করম্না তাহোকখোরিবা ?

ইন্দু :—মহুনি ঐনা খঙবদনীবা, হৌজিক মাগী মপুং চাজিবা অমিশু ঐগী চক্রিদগীনি। মরাই নিংতোনগী মপুং চাবা ওন্নাই হায়বদগী মাশু ইকাই খাংদগী চাজি। মাগী নিংবা খুদায় হায়চনা খাওরবশু মচা মখোনিনা মপুক্তদি হুংশিংলিবনি। মাশিং মানা অহুক পামদিবা হাইবশু শরৎনা অংতাঙ্গা খাপৈ জাৎ করা হুপী অমতং লুহোংবা অমিবতংদি মাংবদি হোংবিগে খল্লি।

নদিয়া :—মাতদি ওইরবা হানি।

ইন্দু :—করিগী ?

নদিয়া :—অহুক হুংশিনবা পৌরকপা হুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পা হুপী অমা পিনা হায়বদুদি শরৎনা কৈকোইলৈগদু মাগ-দবা লৈতে। অহুপা মাথপা ঐখোয়না করি কাবদি। ঐখোয়না পিরকপদি ঐখোইগী কায়বনা লেংলকপনি।

ইন্দু :—মানি অচুম্বনি, ঐখোইগী পামী লেংবনি অহুপা শরৎনা নিপী অমা পিদি মাখোই হায়বদু খাই। অতনা হন্নদী হাকথ অমিদা ঐনা খৌকোংহনা পিজিনদি কায়বা অমা পোক্কবা মাই হায়না ঐগী পূজিবো খলবা ওয়দে।

নদিয়া :—হায়বদি ?

ইন্দু :—হায়রদি মপামা চুমনবা খুবা পাক অদু ঐনা মুতি
তাইনা চোংখোকখুনা লেপহনখ্রি। ঐনা হায়রাব্রি
অতোপ্পা মূপী অমা জুরোংউ নত্রগা হায়বী মূপী
থাইনবগা অমা থীহু মসি মপাগী চাখংনি, মতুগীদি
মুংঙাইরবা কুপৈ অমা থোয়রকনি।

নদিয়া :—মাহুগা মামা পুন্সিগী থাইনগনবগী পক্কপুন্সি অমত্তু
খিবরা হল্লে হায়দুনা চাবকপা থোক্কবদি ঐখোইনা
কবি তোংখ্রী, পজন্না ঙাইরবগী লোংনী অমুক
থাবকপা নত্তা?

ইন্দু :—মাক থনবিকপু পক্কনা কৈকোইদৈরুদ মূপী অমা থিদি
চাকোই। ঐনা হেক পোকপা মত্তবদু চানা মূইনা
লোয়নক্কুবনি। মাগী পুকচেল চানা যুমা থংই।
অতুগা মামা কবিগুদা মাহুনা অমত্তু থিবা তাবদা
কবিগী চাগদোইদবো, মতম অদুদি ঐ ঐদী তুতা
নৈনেরে মখোই অনিমক অমতা চুপা লৈহল্লোই, অদুকী
চুবিদাংগী অমদা কোক অমদা কাক পক্কনা অমা
অখোয়া থাইনবা ঙানী। পুংচুকপু থাকোই।

নদিয়া :—নাং ঙমগ্রা?

ইন্দু :—হেঃ ঐদু থাকহিত্রা, ঐনী ২ কা লোকনবদি অনিগুবা
অমিদি কবিদু নৈতবনিদা।

নদিয়া :—অদুদি মাহু থোক্কবা থরা মুনা থিল্লকউ।

ইন্দু :—মুনা হায়বদু ওসি হল্লকপগী হেক্তা লান থোমবনি,

[illegible] [illegible]

[illegible] ।

নদিয়া :—[illegible] [illegible]!

ইন্দু :—[illegible] [illegible] ।

নদিয়া :—[illegible] ।

ইন্দু :—[illegible] ([illegible]) [illegible] ।

নদিয়া :—[illegible] ।

ইন্দু :—[illegible] ([illegible])।

নদিয়া :—[illegible] ।

[illegible]—([illegible]) [illegible]

করিগুম্বা হয়েং ঐনা হুক হৌরক্তুনা লাকপা মতমদা লোক চংথোকখিদ্রবা (নোক্না ঙাঙ্বা)।

নবিন :—হে: হে: ওহো ওহোকপ মখক্তা ঈশ্বর লৈমরু মহাদেবেনকো। (নোকপা)

ইবুঙ্গো :—এ'ঙা থোক্লম্বা থবেবা হায়বন্দ্রনি। (চংখিবা)

(নবিনবানা লেখুনা লৈরোবা)

[স্ক্রিন]

২শুবা অঙ্ক

২শুবা উংপা

(গোকুলগী যুম)

(শরৎ পুন্নিমাগী কা, শরৎনা কী লেংপা লোইরবগী কিয়ম পুন্নিমা কোট কয়োক থোংজোকপা)

শরৎ—পুন্নিমা! নথোইবী তাম্মোন ঙসি হায়বদা অমুক্তা মাংলন: অসিদি কনিগনো?

পুন্নিমা :—মমাগী মখা কচ্ছবগা লৈজনাইবা থোংনবক্তা পাকপা আমদা লৈজগনি।

শরৎ :—পুন্নিমা মহাক্না লৈবা মাখোইরি।

পুন্নিমা :—অদুনি কনিবনো?

শরৎ :—লৈজে মাইটে হায়দুনা কনানা হৌবা ক্লাসী মমুমদা

চত্থরগে মহৎমা ওইরোই, ঐখোইগী ইমুং অসিগী কায়না ঙসিদা ইকাইহনা লাক্লবা ওইরবগনি।

পুণিমা :—ইমুংগী করি কায়দা?

থবং :—ঐখোই পাংবুংনা নখুং চাদবা অসিগী।

পুণিমা :—হাবল অশু লাগে, করামা পাও অদি তম্মুত্তনা কয়া তংগদগে, তাখোদি করিমত্ত তাবরবোই।

থবং :—পুণিম সংসারদ অহোনবা অখুল থমলবস্তু মোংবদি খোয়দনা কোংলকনি, থংলকনি অহনা ঙন্দৌ ঐ-খোইগী ইমুংগী চৎনবিবা থাকং অসি মখোইগী তংমান খোইদনা থই, লোকনিংবা মচনগী নখুং চাদবা অচুম ইকাইহনা লাক্কদনি (পুণিমা মক লুকথবা) পুণিমা! ঐখু থাওগী থনিং তক্বা লাম-জনা, লাইরবা চেকপু কাহনা লোম্বা থমগা অমা যৈদা লাংহনবগীদমক ঐখু।

পুণিমা :—তোকপীরো পুক্নিং হুংহাইতনবা না অশু তাংদবিদ-দু, নহাকী ননাক্তা লৈবা থংজবা অসি ঐগী কয়াদা লাংবক থবো, কয়াদা হুংহাইবগে?

থবং :—ঐনা খায়দিবা অসি অচুবনি পুণিমা নহাকা নংগী তাখোগী নাক্তা লৈরিতে মতমদা নহাক্তা কয়াদা হুংহাইনা পুংলেনবা, মসিদা হেক লাকপদগী পুক্নিং থবগী মচুদগী নহাকী মাংখোদা হোজবা হুংহাইবা ইদে মতমলৈবিবিক্তা অয়াবা লৈচিন্না............।

পূর্ণিমা :—নত্তে ১ মাহ অমাংবা থাখলনি, ঐখি করিবতা থাদে, থাজা মুংচাইনা লৈরম্মি। মুপী ওইনা পোক্লগা মপুক্তা ইবগী সেবা তৌরিবা মহাকপু কয়া অথোব-শিংনা চৎখদ্রে, মাহ ওঁকপিগনু উদুংতো।

শরৎ :—থাজে অহৈবু পূর্ণিমা ! মীওইবা পুথিংবগী আপ্পা লৈ তাৱবসিদি কাওদনু মপানবোংগী ওয় লৈনা পুক্নিংগী অথাববু কোংকরবত্ত পুক্নিংনা লৈথিব মুংচাইতবা অমু আপ্পা অদুনা লাইনা উবা ফংই অদুনা নহাক থাজে তথবা থংলোই।

ইন্দু :—(মনুংদগী) পূর্ণিমা পূর্ণিমা !

পূর্ণিম :—লাকচরে। (শরৎতা কোট পীরা, চৎকে তৌবা)।

ইন্দু :—(চংলকয়ুনা) এঃ নং লোইরিবরা ?

পূর্ণিমা :—লোইরে, কমি।

ইন্দু :—অদুদি থোরববগী নবম্মথাইদগী লিক অমু থা লৌশিন-লোকচো তেক লৌকছিনবতৈ বিরুকওইদবনি। পূর্ণিমা চৎখিবা শরৎনা কোট লিংলগা থেম মচা পাইদুনা চৎকে তৌরা) কপাংলনো উবুংতো।

শরৎ :—অনাবা অমত্তা তাইহে কু চৎলুসে ইমা।

ইন্দু :—থা থমা তাংনগদবা লৈদে অহৈবু !

শরৎ :—কমি থানো ?

ইন্দু :—নহাক্তী মনমনি। নহাক্তী পাবুংনা থা থয়' হায়

শরৎ :—কমি থানো ?

ইন্দু :—অচৌ কহিংদু নত্তে ইবুংঙো, তম্বক নংনা চুপী থীবা অসি নপাবুম্না মুংঙাইত্তে। মাহুদি নহোইরু থংলিবা অহুমবাই, মাবদি মহৌসমতা লোকচৈদে, অদুগা মখাতা মহৌ অমা থীবদা মাথৌ লিংবা ঙমাইদে। অদুগা মচা মহৌ থৌবা হায়বদিনবকপু মখা মপাণ্ডি থেকা জৌবগা লিকলি, অদুবু মাদি মথুং চাদ্রে।

শরৎ :—মাচ পুরুষকপুদি অঙ্গুনা নৈরবা ও'কলি অদুবু কদি জৌরবগে ?

ইন্দু :—নংগী পাবুংনা হায়দিবদা নংনা খাঙৈ তাং কয়া হিদাকপু ফিদা লিখবা মাখৌ চুপী অমা থুগোংবা অসিনি।

শরৎ :—হায়বদি ঐনা পুনিবারু থাবোকখুনা !

ইন্দু :—নত্তে ১ মাহু নত্তে, নংনা মাবু থাবোকপা, থাবোকপগী ঙা হায়দে। থাবোক্তে থাবোকপা, থাবোকদ্রে থংবোক্না অমা থীরু অসিনি।

শরৎ :—অদু ঐবু মখিং ঙাম্লবা হবু ওমুগনি অমনা পুকচেল কাবা ওয়ৎহলিং অদুগী মহৌ মতম ঙাম্লবা, নত্তে মাচ নচাগা ভাকপিনরু ঐ চৎকদোই।

ইন্দু :—তৌগদ্রু ইবুংঙো ইন্দুঃ অসিনা ইবেমা পামবা থোকখবা মাংদিবু করিগী ওকচবা লিংবা চৎলগদৌ, নপী মনমদা জিংলবা নপাবুগী লিংবা পুরগে।

শরৎ :—ইমা চুপী থীবরু শারবতম থবক্না। অমবদি অদুগ মাক্তা

মীগী মপোকপু মীয়াইনা থজবা তুগী অমা থীয়ু হায়বা অসিবু পাবুংনা ঐগী কননবা থনবিবিরবনি কয়া হায়রগদে ? মাচুনি ঐগী কননব নত্তে অরাবা হাপকং-শিনে হোৎনরবনি। তুগী অমগী মপোকপুবু অরেপপা মাংহনবগে হায়বনি হয়! মা অদু নচাগা অমুক হংবিরম্বু।

ইন্দু : শরৎ নপাবুংনা হংবা অসি নংগী তুংগী ইন্তনবা ওইরবনু মানা তুংচাইরগনি তুংচাইজবা মানা চাউনা চেকপা ঐনা মাগী অমা কোক্ববগীদমক মা অসি নত্তোক্তা হায়দবা ওমদে। নচাক অমুক হঙনা থনু।

শরৎ :—ইমা। নচাবু মখোইগীসু, ঐগী পুন্সি অসিনা মহাক নত্তনা অটৈ অমা নৈত্তে থনজবা নচাগী অনা অম তুগাইবিরমগু।

ইন্দু :—অদুবু কবি থনকম খাকপগে? ঐহাক নংগী অপোকপা নত্তে।

শরৎ :—নত্তে২ ইমা। ঐনা মহাকপু অপোকপা নত্তে হায়না হসি কাওবা থনজরকপি থনম থনজখোই। নংগী মাথংদা ইরম্বা লাকচরবনি। অদুবু হন্দকী অসিদগি নচাবু চানবীয়ু। তাইবংগী চংখদা ওম্ব তৈনবা অমা তাকপিবা অসিদা।

ইন্দু :—ওরবা ?

শরৎ :—মাগি ওরবনি মী থরনদি অচুবনি হায়না থম্বা য়াই।

ঐনদি মাহুক্ চংনবিগী ওয়াথনি হায়না খল্লি। ইমা নংনা মচাক্ মচাগুম পূর্ণিমা মথা ওইরমথদি ওসি ঐনা থম্লিবা মাদিং থাংস থাগৎলোইদবনি। অহুক্ নত্তে ঐ কদৌইরকনু পূর্ণিমা (চৎকে তোবা)

ইমু :—অহুক্ শরৎ নংগী পাবুংগী মাপংদি মায়গী নংবু থমই, মায়গা নংনা পূর্ণিমাগা লুপ অমিদ লৈরোবা নত্রগা নপাবুংনা লৈরোবা অসিনি।

শরৎ :—পাবুংগী মাপং, ঐ নত্রগা পাবুংনা মুমদা লৈরোবা অমনা চৎখিবা (খঙদ) কৈ পাবুংনা নিংবা থুংহনখনি চৎখিবা।

ইমু :—পাবুংনা নিংবা থুংহনখনি হয় (পূর্ণিমা চংলকপা ইমুদা লিক পীবা) কদায় (তোবা) (পূর্ণিমা ইমুগা চংগে তোবা) পূর্ণিমা নংনা মুম অসিদা লৈরকলিবা অসি কনা মুইখিরকে নংনা কনা নিংখিবা নুঙ্ নবেমগী লেখা তোই অহুক্ নহুগী পূর্ণিমা মুংচাইবা লৈতে। ওসি কাওবদা নয়াওবা লৈতে মাসি………।

পূর্ণিমা :—করম তোরগা লুচাইগদবে থাকপিমু। ঐগী অশোয়বা মুথোকপিমু, নায়বিবা পুন্নক ইকায়নি।

ইমু :—নংগী অশোয়বা অমত্তা লৈতে। মুগী অমনা চৎপা হোৎনবা শারৎ, তোবা হোৎনবা লেখা, নত্তোক্পা করি অমত্তা যাত্তে; মাহুগী মমদা নত্তে নহুনা মুংচাই-খিবা অসি।

পূর্ণিমা :—অদুমি—।

ইন্দু :—মহাক্না হুম অসিদা মাগী মখোঁ ওইনা লৈবা অমি মাগী নিংবা পুরে, য়েংঙদো হৌজিক কাওবা নংগী নপুং চাত্তি ; মসিদা দুবে। তোমদবা অসি।

পূর্ণিমা :—অদুদি ঐগী ইমাইবক থীবনা শাগে ভাং তোমা লম হম্‌গা পোক্লবনি, অদুবু হৌজিক করি তোরগা ইমু ম্বুংত্তোগী নিংবা পুংসদগে তাকপিয়ু।

ইন্দু :—মসি দা নকুপী নিংবা পুংবা হায়বদু মাগী পুং চাবা য়াবা মখো অমা থিবা অমিনি। (পূর্ণিমা ওনা য়েংবা মসিদা নংবু চংদো হায়না তাক্লোকপগী মা করিদু লৈদ্রে। মহাকনু অদুম লৈগনি, নচিন ননাও অদুম লৈখিগদবনি।

পূর্ণিমা :—তুপী অম থিবা (মর্চা তাদবা)।

ইন্দু :—তুপী অমা লৈবা লৈবা তুপী অমা থীবা হায়বদি হৌবদে হায়বা নংট। অদুবু মীগী তুংডাইবা লৈ-তবা অসিদা—আঃ মাবদি বা অসে কমা হায়বদু ওয়বে। মতমদি—অমত্তা ডাইকবা মচা নিপাকা তুংডাইরগা মাগী তুংডাইকপমবনি, অদুবু অমত্তোমদদি মাগী পোখাকম লৈদ্রে অদুনা—।

পূর্ণিমা :—তুংডাইদে হায়বগী মমকত্তা পোকপা মপোকনি। নিংবা পুংনবা য়োৎনবনা মীওইবগী মপোনি, ইমু ইবুংত্তোপোইনা নিংবা পুংনবা য়োৎনখিহু। মসিদা

ঐগী কবিমত হায়রিবিংডাই নৈঙদে, কবি হংবিকন নৈবগে।

ইন্দু :--চুমহৈ—অহৃ—চক্কী অসিগনি মচাকী মচা অমদা য়াদে, নংত্রোম্বা ফাকবা য়াত্তে। খরদি শরৎনা অহল অচৌবগী মা ফাওবা অমদি মচুনা তিংবা থুগাইচুনা নম্বু খিরকপনি, শরৎনা লৌকিক মপাগী য়াখং শাকনিংঙবগু নহাক্ক কহি খরস্তিনবগে হায়বা চিংবৈ—অচুনা।

পূর্ণিমা :—কবি মাগো ফাকপিবিবা অসিনু, অমত্তা হাইজবা মচংগা চুংথিবগা মপাগী মিংবা থুংবা লোংবগা শাক্তন খোঙ্গনী মনাই চুপীনা কবি মংগী নৈজবা থিংবা ওথবগে? ফাকপিবিবা অচু অথাবনি। ঐনা কবি অমত্তা হায়জবা নৈংত্র। মানা চুংহাই-বগা চুংথংইজবগবা, মংনা থংবগা হাজগবা ঐহাক মাগী চুংহাইবগা কবিগী মংকপোতিববো?

ইন্দু :—অচুনি চুপী ওইবীনা চেকপদবা পুকচেল, মখোই নিপা থংবা অসিদি অচকপনিনে পূর্ণিমা, মখোইগী মিংবা থুংচগত্তা চুংহাইবা, থুংবগা লাওবা হাকনি। মহাকী মপুঙ্গিং খঙদে। মখোইনা মিংবদা লৌসিনু; ঐগু চুপীনি, ঐনু অচু মহাই; মংগী পুকচেল অচুনি। করে, মংগী মখোই থোকপো (ইন্দু চংথিবা)

পূর্ণিমা :—(ইন্দু চংথিবা য়েংগুরগা অমা অমা নৈংখোইরুনা)

তোঙনবোদা লায়রবা শাটৈগ, শাটৈগজাং তোঙনদা, করম্বা
মতমদা পাপ আমদগী কোক্নগা লাইরবা ইবুংগো নাকা
লৈহৌরৌ। পুক্নং মকা দাগ্না লৈরবা অচুম্বা পুনি
অসিনা থিংবুদমুক্ত ওইরবনু নোকচবা ফংলোইরো
ঐগী লাইরবা ইবুংনা পাও অসি তাগদা মহাক্না
করি ওঙগনি। তুগী অমা থৌবা ওঃ (লুকথবা)।

(মালতী বসন্ত চংলকপা)

মালতী :—ইচে !—।

পূর্ণিমা :—মালতী ! তাবো (চুরবা)।

বসন্ত :—পূর্ণিমা অনা অয়েক লাংতেদনা, শরত্তি !

পূর্ণিমা :—চংখোকথি (যোক্না থাব)।

মালতী :—ইচে ! নংদি তাবো শৎথোইদা লৈরুব ভুংচাই-
রবিনি ?

পূর্ণিমা :—ভুংচাইরে মালতী ! অচুবু --।

মালতী :—নংদি ভুংচাইরে অচুম্বা ঐখোইদি নহাক লৈতনা
ইচুং ভুংচাইরে. ঐখোইগী মুমদু তেংবুনা শরোয়
মচা অমদা লৈরে। ইচে ! ইঙ্খানবা লমাইদগী
করমুক ভুংচাইবা হেত্রি ?

পূর্ণিমা :—(মালতী কোনবিদা) মায়া হেত্রি, অচুবু মালতী
মমম অসিংদি ভুংথিনা মনিং তম্মা শাহকবা পাক্নবা
লমহাং অমাংবা লৌবুক অচু লৈতে। ভুংথিংনা
থিংলকপগ অনৌবা কোনানা লোং-লাং চৎপ. নিংথিবা

হুইব, লোইদু খোৎনা মতমদা থোকপা থাজবী ইংলবা থাবল মচা অসিগী চৈনিদু। মতুমী মচবা মরম অসিগা অমাগা হুংলিং অরাকপা থাবল।

বসন্ত :—পূর্ণিমা— ।

পূর্ণিমা :—যানি মালতী। মরম অসিনা চেংগা কাকী থোকেন নচুনা নিংখিবা ঊচেকী হুংখিবা থোরাং ত্তাবা কারে মালতী।

বসন্ত :—পূর্ণিমা। অচুম্বা বখল থরগদু হুপী ওইবী অমাগা হুংজাইবা অমুক লৈরবনি। নহাক্কী পুক্নিং নহাক্কী অচুম্বা থাখল অদু বংখি উখিবা মাওমা অহল লম্বা অমদি লুহোংনা কবি মমুন্দুনে চৌতিক অত্তোপ্পা থাখল থাদোক্লুবা অহল লমনগী লেখা থরাই থাওনা ত্তোংদবনি, নত্রবদি মীনা লমাইদা পোকপা লিত্তং পাত্তংদনি হায়বা— ।

পূর্ণিমা :—ত্তাবো তোকলিবো মথা ত্তাবিরগদু।

বসন্ত :—অচুম্বনি পূর্ণিমা— মাখোইগী মচিন্দগী অচুম্বা মাওং অমত্তং তাবদা ইবুংগী মায় থমকদ লৈতোরাই পূর্ণিমা ত্তাবরং অসিনা অমাবা মীগী অমাবা থংবিবা মী লৈরবনি অমাবা উরপা পেনথৌবা মীদি মাত্তবনি।

পূর্ণিমা :—ত্তাবো।

বসন্ত :—পূর্ণিমা ঐবু মাক্তোপদুকো ঐনা লাইরবা পোক্তবনা নহাক্কী নথায় থুরিবনি। ঐনা শাঁলে জাং কথা

ইনাক পুনবা মী ওইরবনদবদি ওমি নহাক্তী অবন্দা অমি ওইরবদোই য়ুংচাইহনবা লৈরবদোই অদুবু ও !

পূর্ণিমা :—করামা ঐবু য়ুংচাইহন্তে লাওথিবগে তাদো শাইরৈ, শাইগনাং তোঙ্গি লাক্কনা করামা ঐবু লাকচরগদবগে ?

বসন্ত :—ইম, পূর্ণিমা চিংজিন্দা লোং ফাওরগদবদি থাই অফবা পাইহৌবা থোংজিন: অফবদি করা অমত্তনা ইংদবা চররোই। নহাক্তী অমামা য়ুংচাইহন্তবা অদু অতোপ্পী মকমদ থংহনবা ওইদবসু অমত্তা চাইহনবা নবুংগী মকমগীদি লোংপা: থাগনি পূর্ণিমা……।

পূর্ণিমা :- তাদো……।

বসন্ত :—অদুবু ওইজিক্তি মতম নত্তে, নং হৌজিক্তি পুক্কিংগী অমামা য়ুংচাইহনবু লাপ্পা চেন্নোকখিহনা য়ুংচাইনা অদুম লমহংগী লেবা তোঙ্গদবনি পূর্ণিমা। নহাক্কা অমামা য়ুংচাইরবু চাংদমনহনগদবদি লমাইদা নবুংগী নাক্তা লৈগদৌরি মতম অদুদনি। মতম অফবদি নহাক্তী অক বত্ত থহনবা পাক্কন লৈরম্বী, হৌজিক্তি লৈত্রে মতম অদু হৌদ্রে (ইন্দু লোয়কপা বসন্তনা থুকতা)।

ইন্দু :—কন নো ?

পূর্ণিমা :—ঐখোইগী……… ।

ইন্দু :—এঃ অঃ লমাইদগীদা ?

বসন্ত :—হোয় পূর্ণিমাগী মচুংনি।

মালতী :—ঐনা মনাওনি।

ইন্দু :—আঃ কদারাইনগীনো অদুক লেংনা।

বসন্ত :—সিদা নুম লাকচবনি ...... ।

ইন্দু :—"পূর্ণিমা চাংলু লাও!" (ইন্দুগা পূর্ণিমাগা চংখিবা মালতী থৌংডক থৌংডক খেংহনা লৈহৌরি অহানবী ওয়াক লৈরগা)।

বসন্ত :—মালতী (মথা তাক্তিদবা মমু দগী ম চংবা তাব)

ইন্দু :—(মখুংদা) খেংহৌই ঐদি চাক অদুক থাংবা চপহৌই ওট্রিদবা চৎহনখো করি হায়বগে? নংনা নিংখিবরা হায়খে।

(বসন্ত মমাগ মকথিনবা পূর্ণিমা তপ্পা তপ্পা থোরকপা)।

বসন্ত :—পূর্ণিমা করি হায়রীবনো?

পূর্ণিমা :—তামো চাক চারকপবদি হনবা লোক্লগনি অদমগা চাখিনবা ফোংনৌ হায়রকই।

বসন্ত :—পূর্ণিমা ....।

পূর্ণিমা :—তামো করিগীদমক্তা ঐহাক্না অদুক হায়রী, করিগী-দমক্তা মতম অসিদা লাকখিবনো; মতম অসিদা ঐগী করি পাঙল লৈবগে নহাক্কী নচন পূর্ণিমাবু কনাগনা লৈবগে? তামো! লাইবক থীবী নচনবু কাওথরো কাওথরো মালতী।

বসন্ত :—তুবিন লৈবু পূর্ণিমা করিগীদমক্তা অদুম্বা খা অদু হায়রীবনো? হোৎনবীনি, মীওইবগী মপোক অসিদি অসি চাকনী অদুবু থুংহনবনি খনজোকপা ওয়াবমক্তা

মন্তৰ কুইন। অচল লক্ষনগী সেৱা তেওঁৰা কংগধবনি।

ক য় অসহা যন্ত্ৰ পূৰ্ণিমা, চেপি মালতী।

মালতী :—ভাবো শৰৎডি উ-টে।

বসন্ত :—নোমো লাগিস।

পূৰ্ণিমা :—মালতী, নবাক উঠোগা চাক চাঁৰিয়ৰিসি উচেগা
চাক চাঁৰিহেৰা কুইয়ে।

বসন্ত :—নৰে নৰে মালতী দুৰণা চাকৰসি।

ইন্দু :—(মঞ্চপথী দৌইন বোৱকণা) পূৰ্ণিমা! পূৰ্ণিমা!!
(বোৱকণা) বাৰম উবুটো জৌতিক কাওৱা বো-
বোইয়ৰে?

বসন্ত :—চেচেৰুলী, মালতী চেপি!

(বসন্ত মালতী বোকাৰিবা ইন্দু জেলেনা, দৈ-তৌৰা)

পূৰ্ণিমা :—মালতী…… .. ।

[স্ক্ৰিন]

২শুবা অঙ্ক

৩শুবা ঈংপা

"লম্বী"

(নদিয়া নিপা অমগা চানকপা নিপা অসি পাঙ্জিনী কিভম মাখি, পাঙ্কানু যাওই)

নদিয়া :—ঐনা হায়বা অহু ভাব তাঙ্বেদনা, খোইবা যাবা নত্তেকো।

নিপা :—থংজবে খোইদনবা তোংনজগদি।

নদিয়া :—অঃ ঐনা হায়বা অহুত্তা চৌগদবনি, মহু নত্রবদি ঐখোইন তোংনরিবা অসি অনেথা তাগনি। অহুনা নংনা মসিদু হেক পাংখোকপদা, নকোক থু য়োংবদি হায়বদা খাংজবনি, খাংজেদনা।

নিপা :—অহেয় অহু হেক্তা চংগ্রপদবরা কনা ?

নদিয়া :—অঃ হেক্তা চংগ্রপদবনি, হেক চংখিবদা মখোই তরাম তরাম তৌজরমগনি। মখোয়না হেক্তা হৌখোকচরকনি। মাংহনবীদি নংনা অহুম ঐনা হায়বা পদিংদো শক-থরো।

নিপা :—এঃ অহুবুদি ঐখী রা চাংকম হেক কংবগা অহুম চেনা পঙ্করকোই। অথিং ভুংথিদ নাইদনা ঠেরাইহুনা।

নদিয়া :—বেশ ২ নবা তাবদা ভুংঙাই, নচোপ্পা শীখিবা খেদ অহু রা অহু হায়রহরবীদবদি। ঐ নদিয়ানিদনা।

নিপা :—এঃ ১ মহবুদি থংকরে, অদুদি ঐ চৎচগে পুংকম অকবা লাংহোকথরবি।

নবিয়া :—মানি ১ পুংকম মানখোকহনবা য়াবা নত্তে, চৎলো মরূপ ওইবকউ।

নিপা :—অংহংহ (খোকখিবা)।

(নংলৈ খোংথাং নোকচুনা মায়াক অমাংগী খোকখিবা এংকল অমরেংমদগী বসন্ত মালতী চংলকলে)।

বসন্ত :— এন' নংহৈংলা ওমা ওমা কাইগা চৎলুবদা থুং-ঙাংহেংই থংহৎনা নংনা সংগেনে, মতু অসিমদি ঙংচহ্রুংগ্রাক মালতী, নংচগী অচাবা ঐ থেংনংবে।

মালতী :— কংরগীনো ঙাংবা, হংচনা ৱ ৱিবা ! মাদি থুংঙাই-গনি হাইনা চংখিবা এঃ ?

বসন্ত :—চংমি, অহুবু নৈংও মবাওমদি মাওবগী থুংঙাইহকম নৈদত্তে। অমুক থুংও ইকহ্রুবোই।

মালতী :—ইচেন চাক চাখিরখিস হায়রগা চারকরা অসিদি মথংই থুংঙারকপাংগাই, ঙাংমে ন' মায়হুনা।

বসন্ত :—মানি, ঐনা হায়রনি অহুবু মালতী। ঐনা নখৈবু শীঙনিংদনা অমদি নাচগা চানিংঙনিংদহুন মাখৈবা নত্তে। ইনাক থুনবগী পুংকৈনা লায়রবগী চৎ লকক মাওখেনে মালতী।

মালতী :—ঙসি অহুক্কি ঐখোই চাক চাবব ঙাংহ্র তাবো।

বসন্ত :—(মচন্না মুত্রা য়েংলগা) নহাক মুখ যৌবা ঙ্ কনি
চাক লাক্নে নত্রা ? (মধুক্তা নানবিবা)।

মালতী :—হায় লাক্নে ভাবো।

বসন্ত :—লাংব মালতী। চৎসি কৈবেঙ্গা (শরৎ চালকপ)।

শরৎ :—মালতী ! (বসন্তনা থুরবা)।

মালতী :—ভাগ্নে।

বসন্ত :—শরৎ—।

শরৎ :—কমাইদা চৎলুই মালতী, ঐবোই চংলুবি সিমনা।

মালতী :—চৎলুবে মুখম চৎলগে হায়রুনা লাক্রবনি

শরৎ :—চৎকি মতা লেংবু, চৎসি চাক চকপিস।

বসন্ত :—চৎসি মালতী ! নেংব লাকসি ঐবোই [illegible] চৎলগে।

শরৎ :—অদুবু যৌকপু চাক চাংনা অদুক থাগ্রবা অসি কদা ?
মালতী নহাক [illegible] ?

মালতী :—হৈচেনসু চংবে [illegible] অদুগা (বসন্তদা য়েংবা)।

বসন্ত :—আঃ মালতী ! (শরতা) আঃ ঐবোই থবক অমা
লৈরোই অদুনি, [illegible] কুপা যৌমনি [illegible]
লাক্তে, লাকও মালতী।

মালতী :—(বসন্তনা মংবানা) চৎলগে ভাগ্নে।

শরৎ :—চৎলো ২ (বসন্ত মালতী চৎখিবা শরৎনা [illegible]
লৈরোবা অরেপী মথায় লৈপুনা চৎখিবা)।

[ক্সিন]

২শুবা অঙ্ক
৪বা উৎপা

(গোকুলগী য়ুম, গোকুল কম্পুনা কি লেপ্তুনা লৈরি, পার্বতি চংলকপা)

পার্বতি :—গোকুল বাবুগী মূদু অসি ওইরব্রা ?

গোকুল :—মাখি কনা ওইরবগে ?

পার্বতি :—ঐবু মিনা লাকচৈ হায়না।

গোকুল :—কনানা ?

পার্বতি :—অর্থ কুটি য়েংগনি হায়রুনা কৌবী, অচু ?

গোকুল :—পাজিবা ?

পার্বতি—আগোই।

গোকুল :—কনান্না কৌরম্লিবনে ? হায় ইন্দু কচিন্না চারিবা অমিবু এবোই কনান পাজিকবা কৌরবগে ?

ইন্দু :—(মখাংদগী লেপ্তু লাকখবা) (খোঙকচুনা), এঃ লোটিন-বিরকই। (ইন্দু চংখিনা)।

গোকুল :—ওহ কবি লমদ লৈবগে ?

পার্বতি :—থাংমৈকম্পানি (মখিন লোৎপা)

গোকুল :—কবি মিং কৌবগে ?

পার্বতি :—আঃ পেমম কস্তাই পাজি হায়রকা।

গোকুল :—ওঃ (ইন্দুনা হিদাক পুইনা খোঙকপা, গোকুল ত্তোংবৈ পান্দুনা থকপা, পাকনা লাপা থকপা)।

ইন্দু :—য়েংহিরো ওজা (কুঠি অদু পীবা।

পানজি :—নিপা অসি চহি কুনথোকপা থ ২ নুমিৎ ১০ নি তাম্ব।
মপোক কপরে মথুং য়াম্ব কবা, মপুক ইবা মী ওই-
গনি কুইনা পুক্তনা অহল মমনগী লেখা তোগনি।
তুপী অসি চহি অয়াতরেং মপুংনি য়াম্বা কবী, অকক-
তনা মাগী ওইবী মমম ওকপী ওইগনি। লখী চেনবী
সক্তী ওইগনি অদুবনদি ওইরবদা মাগী মপোক্তী সিত্র
অমতংদি নৈরে, মহাক তুবা কুপনি।

গোকুল :—তুবা কুপ ?

পানজি :—অহোর তুবা কুপনি মসিমতং নৈরগ্রবদি তুপী অসিগা
চাংদননবা অতৈ নৈরগোই। হায়বা য়াই অদুক টৈ।

ইন্দু : -অদুদি থাইনদুনা ওইগদবা তুবায়া অদুগা নিপা সিদুনা ?

পানজি :—মাদুদি হায়কবা ওয়ে, অদুগা তুবা হেক হায়বদি
থাইনবকুদি চিংদে, নিপা শিখিবা অদুমুনি হায়না
থংনৈ।

গোকুল :—ঐপী ইচা শিবঃ।

ইন্দু :--প্রতিকার অমতা নৈত্রবঃ ? যেংবিদু ওজা।

পানজি :—হনকী মপোক্তা তাপা তুবা কুপনি, প্রতিকার নৈরোই,
মসি মপোক্তীনি প্রতিকারনা লোকপা য়াবা নত্তে,
মনতপা ফংবদি নিপা অসি পুসিদু হায়বা নৈ, অদুসু
থংত্রে কবি খোকলগবনো ? মীওইবা হায়বা অনিমকতু

চখাগী মনাইনী মানা পুন্সিনি হায়ফুনবু খুঙা যুম তাবা ঙসিনদি ঙম্লাইবা নত্তবনিঙা……।

গোকুল :—ঐগী ইচানু, ওইথোক্তবনি নুপী অমগীদমক্তা ইচাগা পিবা, মাতু ওইব. য়াগোই।

ইন্দু :—ভগবানবিয়ো, কোয়া ঙমা হাংনমদবা অদূ !

পানবি :—অচুম্বি অতৈ থোইথোকপা লোংগদবা নৈন্নবদি ঐ হঙগনে……।

ইন্দু :—কবি পেংবিয়ো, এঃ দক্ষিণা ওাইহাক্তা হাইজিবে (ইন্দুং চংবিনা)।

গোকুল :—খিব, ইচানা পিবা, অমা কয়বনু অমা হোংবা য়াবা ভগবানক থিবনু কাবনা নৈন্তবা নিপান্ধু করিম্ব নৈন্নবা নুপী অমগী মপোক মরিদগী অমতা ওাইজবা ঐগী ইচানা পিবা ওইথোক্তবনি, ঐনা হিংলিতৈথোক মাতু ওইবা য়াগোই।

(পানজিনা থিংলোং অমনা লোংবা, ইন্দু থোয়কচুনা দক্ষিণা তৌবা)।

পানজি :—ঐ চংচয়গে।

ইন্দু :—কবি পেংবিয়ো (পানজি থোকখিবা, গোংজিন মরাদা পুখিনা)।

গোকুল :—ইন্দু পূর্ণিমাদা নিংখিনা হায়ফু মরাক্তী মপোক মরিমীদমক মানা খুঙা যুম তাবগী ইচানা পিবা ঐনা থাংবা ওবোই, অদুনা মরাক মপামদা চংখিনবা হায়ফু

লাকপা চংলোই হায়রগা নুপ অমগা মহাক তোংঙানবা লৈগদবনি। শরৎনা অতোপ্পা নুপী অমা থিগদবনি। মসি পোক্তবা য়াদে।

ইন্দু :-- ঐনা হায়দুনু ইনথিগদ্রবে?

গোকুল :— ইদবা য়াদে, ঐনা থিংলিবা অসি পুনাইকবদি মংদ্ব কংলোই।

ইন্দু :— করিনো? ঐতোপ্পা ভাইনতক্লিবা অসিনু?

গোকুল :— মানী মতোপ্পা ভাইকনদবনি, শরৎ অমুক্ত ঐনা হায়দ্রিবা অসি নংনা।

ইন্দু :— যাদ্দ ওইত্ত মাদি, হোয় চুক্ত য়াম্ন হায়বসীদি মহাক্কে মপোকপা মপাক্তা লিংবা কাওবা পুনারবা হায়বা ইনথিরবদা পোক্তবী ঐনা হায়দুনু কনানা হাকীপত্রা?

গোকুল :— হাওবা য়ারোই, অদুগী ঐনা হায়বদা মহাক ইন্দবা য়ংরোই ইত্রবদি মাগী ঐগী মপাগী ফাগী লৈনবা হোৎনবা মথৌ অদু লৈনরোই।

ইন্দু :— মগী লৈনবে লৈনরোই অদুম তৌনবিনু ঐনু য়াওহনবিয়ু (ইন্দু চংখিই, শরৎ চংলকপা, পুর্ণিমা লৈতিলনখিবা)।

গোকুল :— এঃ শরৎ ওইখ্রে, না হায়খিবে ঐনা হায়খিবা অ অসি নুমা তাও, ওসি কাওবা ঐনা হায়বগা নত্তা ইনদবা অপুক্তা য়াওহনবা তোফাই লৈনবগু থাদোক্লি। অদুগী মসিদি নত্তে ইদবা য়াদ্রোই।

শরৎ :— অরি।

গোকুল :—কৈদা পূর্ণিমা পাইখৎলবনি ?

শরৎ :—পাদুং ।

গোকুল :—যাদি ঐনা হায়রিবা অসি অদুবনি, মহাক মপাকনা চৎকদবনি মসিদা লৈমিংলগা অতোপ্পা হুন্ অমদা মহাক লৈবা য়াগনি, নংনা অতোপ্পা মূপী অমা'

শরৎ :—পাদুং'।

গোকুল :—ঐনা হায়রিবা অসি নংনা অবদি পুন্দিবগী ইরপবনি । শরৎ কদিগুম লৈরবা মূপী অমগী মরি কনবী- বগকং মচানা শিবা অমু মপাক্কী লৈবা ওইবাই । মসি ঐখোইগী নত্তে নংগীগী ঙনবনি ।

শরৎ :—হায়বদি— ।

গোকুল :—হায়বদি অসিনি হৌজিক লাক্লিবা শরৎনা হায়রবী মহাক্কী মচানিপা অসি য়াম্না পুক্নিনি । অদুবু অমনবী লৈবা তৌগনি । অদুবু যাদি মূপী অসিগী মপোক মরিনা- দুবা অমবা মচানা মতম চাদবা শিগনি ?

শরৎ :—এঃ অদুগী ওইরবদি পাদুং [illegible] চিংনরিগদবু । মীওইবগী নিংথী য়াংবা লৈরবা শিংখীবগী কনি অদুকম লৈবগে ?

গোকুল :—[illegible]........ ।

শরৎ :—[illegible] অদু তাকপিগদবু ।

গোকুল :— অদু-অমা পরদে, মহাক ঐনা হায়রিবা অসি [illegible] অতোপ্পা য়াগনি, মসিগী ইরপদি........ ।

শরৎ :—তাকপিসনু পাবুং! ঐখী পূর্ণিমা অসিগা [illegible]—

গোকুল :—তুমিন নৈদ্রু খ নিংবে, ঐনা হায়রিবা অসিবি মতম [illegible] কায়বদি নৈ মরুবদি মপোক অসিগী [illegible] ঐনা কাইরমবনি।

শরৎ :—পাবুং………।

গোকুল :—মাদি, ঐখী মথা অমুক নৈরবা [illegible] হাদি, মখো হাতবদি মখা ঐনা [illegible] ঐনা (গোকপিবা [illegible] কেপ্পা নৈরোবা)

শরৎ :—ঊব কায়নবা, [illegible] অমীবনি [illegible], করিগ নৈরবা অমীদমক [illegible] থাক-তোৱা [illegible] করিগো ঐনা হৌজিক তৌগদবা।

পূর্ণিমা :—(তপ্পা গোকপুরা) [illegible] মত্তা [illegible] মপুংইরা।

শরৎ :—নৈরিপুবা, তুমন মতম [illegible] করম্বা?

পূর্ণিমা :—[illegible] তুমিনা তুম অসিগী [illegible] অমুকা ইকুচোবা।

শরৎ :—তুমী [illegible] কীবা?

পূর্ণিমা :—মাদি ইকুচোবা।

শরৎ :—[illegible] পূর্ণিমা, [illegible] মাং মখী মাদি-হায়বা তৌবা থাজজোই।

পূর্ণিমা :—তৌবীসনু ইকুচো [illegible] ঐখিনবা ইমুং মখী শাংবা [illegible]। ঐখোয়না ইকুচোবা [illegible] চাদবা।

শরৎ :—তুমিন নৈদ্রু পূর্ণিমা [illegible] অদু

নচিন্দা পনগদুগা ঐদু পিসনি হায়বা মহাক্ কনাদুক [illegible] পাক্তিরা। " মদু মতেংবদি মহাক্ কনিগীদমক হায়মদে ঐ কৈথোংদা পিসনি হায়বা।

পূর্ণিমা :—মিৎ[illegible] পিকখ্রি লাইরক্তা তম্বনি হায়বা নুমাইদু থাইবে, অদি পিগনি হেক্কে পিসনি হায়বগী অতৌবা চৈথেং হায়বদু নুমাই চুপীবা থজবা মচে। ইপক্তী অসি ওইবোক্তনু থাই ; ইবুংগো পিদবা থাই, অদু অহেন লম্বা থাকৈ মসিদা।

শরৎ :—থাজবা মথোই থাজদু ঐদি থাজবা ওথোই অতেবনি পূর্ণিমা। ঐগী ইপানীদা চেৎলা মী অমগী পূর্ণিদু অতেকপা থাদৈবা ঐ ওথোই পূর্ণিমা !

পূর্ণিমা :—থনবীরিবা রূবন অহ্ নাত্তে। করাগী মথোকপু করাগী পুর্ণদু অতেকপা, ওইহনগদৌরিংদো ; করাগী-দু অমাংবা চৈথে, ঐহাকীদি লাইরক করনি।

শরৎ :—লাইরক করা ?

পূর্ণিমা :—মানি, লাইরক করবি [illegible] অদিদা নহাকী নুমাক লেপবা চৈথম্বা [illegible] [illegible] থদিবা অদিবা অওইবা ওইরমদুনা লাইরিক্তা চপনা থম্বনা চৈথেং ওইগদবগী থকপুদি ঐনা লাঙা চৈথমিদুনা নহাক্কী পুনি তোলোইবা পাবগা অহ্ [illegible] । উবা কাংলবা ঐগী লাইরক করনি।

শরৎ :—পূর্ণিমা অহ্ অদুগমদু মথাংদৈগী কৌথোইদু

য় কি, থম্মনা তাকৈখিবা অদু মহাক্ন কাওরবা ?
মীওইনা লোক্নবা থাজেব লৈরাঙ্গ দমচং লেপ্পনা
ঐ পায়রে, ঐখোদি হায়রিবা থমিন্দি পুনি থমিদা
পূর্ণিমা মতমা, মহাকী কম হু হৈগে মপোক অরিবগী
থাবোকপা ওমদোই, অদুগ লম্বকপা ফাম্বকনা তাব-
বনু কাম্বথদবনি।

পূর্ণিমা :— ইবুংগো।

অহং :— অকুবনি পূর্ণিমা!

পূর্ণিমা :— হৈরে নুরে মাহু হাবথীগদু ইবুংগো অহল, লম্বদগী
ঙাঃ ইকুবগি মীগী মীওইবু চংলক্লি, লাইবক থীবী
ঐখী থম্বা নমাঙগী মিৎয়েং!

অহং :— (থাজা লোকপা) নমাঙ, তথবীববা নমাঙ, হাঃ থাং
হাঃ পূর্ণিমা ঐঙা হুনী, মিবদি লাইদে থাং, লাইবা
অচৌ অসিথক থাহ্রবা তথবীববা নমাঙবীবকু নরে,
নরে মীওইক ডাউবগা মীদি খী লেপ্লগ ঐখা হুনী
ঐবদি মঙ্গীবগা মীওইবু মহৌ থংবা মথোই অহু-
ঙৈ লেপ্পা তোবগী থবকনি পূর্ণিমা……।
(পূর্ণিমা থাকপ থলবা লৈবা অহংগু ওইক
চুপ্পা লৈবা) পূর্ণিমা…………।

পূর্ণিমা :— তাকপিয়।

অহং :— পূর্ণিমা ঐখো য় চংলনি।

পূর্ণিমা :— (থাংবা) থাইবে!

শরৎ :—কপালদা হায়বা যাদু ঐ লায়বা ওমদে চুমিংনা তানা মকমদা ঐখোইগী পম্বুক্কনি। মতম অমুদা সমাজ লৈরবা, মতম অমদা নীংথোকচাবা কাংবুনা লৈরবা, খুং পান নাইবা মীওইবনা যোক্লিবা অমুগুবা মতম অমুদা চৎলি। মীচং মীখাই নাইবা সমাজ অসিদা লৈগদবী শক্তপূর্তি খা কৈরা থমুবা ওকোন অমদা লৈক্লগে হেক্ ঐ পূর্ণিমা।

পূর্ণিম :—নত্তে নত্তে তাকপীগিবা অদু লংরে, ইশা ইশাগী খোবগীদমক করিগী সমাজবু মীচং মীখাই নাইবা হায়রিরিঃনো ?

শরৎ :- করিগী হায়রোই, পাবুংনা ওকুং চাক্লিশা অসি করিগীদমক্কনো ? নত্তে পূর্ণিম চৎলি ঐখোই ২ মুম অসিদগী চৎলি।

পূর্ণিমা :—ইবুংঙো লাইবক থীবী ঐগীদমক্তা মরু য়োমা থবনিগদু। মসুনা ইবুংঙোগী অকবা ওইরোই, ঐগীদমক্তা অহল লমতা ইবুংঙোবু থাওব লৈহে। ঐহাক চৎচখিদে ইবুংঙোনা অহল লমতা য়াবী চুপী থদা—।

শরৎ :—পূর্ণিম — ।

পূর্ণিমা :—হায়রি ইবুংঙো! ইবুংঙোনা চুপী থীবিরো অহল লমনগী লেখা তৌবিদু মায়ুমা ঐন চু থাইত্তবা লৈক্লদে।

শরৎ :—অদুরি মসাক ঐনা হায়বা য়াদ্রে।

পূর্ণিমা :—নত্তে নত্তে মরু নংচদে, ঐনা হায়রকপদি অহল লমনা

শরৎ :—অদোম লৈহন, করে নত্তাক অদোম নম্বরমা লৈতৌবো ঐরাক চংলগে।

পূর্ণিমা :—ইবুংঙো— ।

শরৎ :—ঙসি মখৈ ঐ লৈরবী লায়রবা নহুতনবু, শরৎ লৈত্রে হায়না নহু। (চংখিই)।

পূর্ণিমা :—ইবুংঙো! ইবুংঙো – উঃ (তুগা)

[ড্রোপ]

অহুমশুবা অঙ্ক

অহানবা উংপা

“বসন্তগী মঙম”

(বনক তকবা মনুকপগী কিবয়, থাংজৌ অমা পাইরকপা, চেংবাক থম্ব পুখৈ মচি অমদা হাপ্তুনা পুরকপা)।

বসন্ত :—মালতী মালতী! কদায়দা চংখিবনো হাক্তেংদা ঐগী ইচল অদিদক অসি চাকম থকথনু হংজে। লেংপা চাবা মনিং পুংথদি লায়রকনা মপুক কাওবা থম্মা শিকনা তারে। ইত্তোমদা হায়থদি কপথবনি, অহুদু হথ মীওইবগী পুনসি থাকপনি। মাগী মনিং পুংতাবা মহাক্তগী চুংথাইজগবঃ থাকবা অহুদু হায়কগী লোনা ওইখরে, মতম লৈবা থিবিকা কমতনা পুর্ণিমাগী মথৌ ওইদি, মাগী অমাবা অহু ঐনা কয়াগ০। (কাপ্পা)

মালতী ? কদায় তাদা চংখ্রবনো ? নিংথিনী মচৌ নংঙরে—মালতী মালতী !! (মালতী চে পুদুনা চংলকপা)।

মালতী :—লাকলে তাদো !

বসন্ত :—কদায়দা চংদুই করিবনো অদুগে। চে কদায়দগী (মালতী থুদবা) হায়দু মালতী মীতোপদগী নিরুবিবরা ?

মালতী :—নিরুবা নত্তে।

বসন্ত :—অদুদি নহাক হয়াঙবরা ?

মালতী :—হয়ানবা নত্তে, ইংং তোশীখোইদা থবক তৌরবদা মখোইনা পীরকপনি !

বসন্ত :—থবক তৌরবা, পিরকপা, মালতী নংনা থবক তৌরবা হায়দু মালতী করিগী থবক তৌরিবনো ? ঐদু তোঙ্গ্রিবা নত্রা ? ঐদু উপিরা ? (লেংদুনা পাইদুনা নিংপা) ঐদু করি ওইনা উই, ঐ নৈনা নৈনা নংনা মীগী মচুদা চত্নুনা থবক তৌবা য়াবরা ? খুনউ খুনউ মালতী (খাদোকপা)। মালতীনা মীগী মচুদা থবক তৌবা মীগী মচুদা উ ! (তম্বা সেত্তুনা থবিদা উবা তেন্না)।

মালতী :—(চংশিন্দুনা) তাদো… ..।

বসন্ত :—মালতী ঐগী ইংখং পাংথকীদমক্তা থবক তৌরে। মালতী নং ঐদু খাঙদু।

মালতী :—তাদো।

বসন্ত :— মালতী ! নহাক মতুংদা থবক তৌবা ঙংবোরক্নুবো ।
ঐনা লোমজুহনা খুঁজনী :চৎ-চাক পুরকপিবা কামনি
করি তৌরে ।

মালতী :— নহাক্না পুরকপা ঙমদে ঐহাক্না শীজনগা নংদি
চনা লৈরি অহুপা ।

বসন্ত :— মালতী ঐঙোন্দগী নুংশিবী মালতী ! ঐ চাক
শাবদুনা চানিংদুনা চংদবনি । শাবনবদি লোইবা
চাগনি কপিবতা নুংশিবী, ঐ লৈতিবনৈ নহাক থবক
তৌবা য়াবে মালতী ।

মালতী :— অদুবু চনা অপুন হেইজিন্নবদি নহাক (নপা তাকা
ওইদনা) ।

বসন্ত :— হাঃ হাঃ হাঃ শীশনি (ঘরঘপী থাংগা খুংজগ)
মালতী ! নং ঐবু থাজ্জা ফুংবি নত্রা ? (মালতী খুমদং)
অম ঐখোইগী ইপা ইমা কদায়দা চংখ্রে ।

মালতী :— তাখো ·· ।

বসন্ত :— হায়, মালতী কদাইদা চংখ্রে ?

মালতী :— শিখ্রে ।

বসন্ত :— শিখ্রে মালতী··· নংগী ফুংশিনবা নবুং ঐগী লোইনবা
শিগনি । শিংবগা লৈরবকদা কপিবী ফুইনা লৈনবা
হোৎনগনি । মালতী ঐনা থজিক্লং হায়দা ফোংবা
ওন্দবগী নংনা থবক লোমজুনা পুরকপা চেং কামি
চাহুনা ফুইনা হাব অদুবু নংনা লেংবা ওৎকা মালতী ?

মালতী :—তাদো !

২গম্ভ : ম সাম অসিদি লাইরবা মীশি লৈবগ নত্তে, ইনাক পুনবা অচৌ অমাংবি সংসারনি। হেৎতে মালতী মাইকৈ মচীমক্তা য়েংউ, লোকশিংনা চুমিং দা, লৈরীবা নিংথি-জবরা লৈত্ত, লৈমিনা সমাজ পৃথিবীদগী লোকশিংবা মতৌ ১ দোং পুরুষক অসি লাইরবগী অবস্থা নত্তে, ইনাক-থুনবা মীশী হাকনি। অমিত্তবা সংসার অসিদগী থুনা লাক্লোক্‌শিনবা ঈশ্বরদু থৌজ্জু।

মালতী :—তাদো

২গম্ভ :—চৎলু মালতী। চেং অসি মপুম লৌশোক্তে, এই মসি চানিংদে মালতী কাওবু মী পুরুষক শিনফবনি লাইরব-মীদি অমুক অনাবা লৈতবনি। ইনাক থুনবা মীনা য়েংবা চাবগী নাচ্না শিবনি। লাইরবা মীনা চানবজনা শিনফবনি মসি সংসারগী নিয়ম অদুগা মংনা থরিমী-দবক্তা থবক ভুক্তী চুংশাইবা মীশীদি মতম শাংদিবা মতৌ কবনী। অমাবা মীশীনা মতম য়েংদা অমাবা কোকফবনী মালতী।

[তিক্তক হৈবে শক্তমা চংলকপা]

'উটেম'

লাইরবা মাপ মসিনা কোক্তকবি।
কমাউবা লৈংনে লাইরবগী শত্নম
পাবজরে নংগী কপবা চুপ্পেবরো।

নাইর অমংগী নৈচৈত্রগা সংগাইবী।
হুংচাইবা থোংজিনা চংকই তানা
কংবদে করিনু যোক্‌বা মতম
উবগা অহানবা নাইর অমংগী
বাকে পেম্বিবা আইবংসিংগা
নৈচে মরূপ থাবনা মতমদা।

ভিক্ষুক :—মহাশয় ওয়াংবগী করি অমতা চাবা কংহনবিরে ভিক্ষ।

বসন্ত :—মালতী ! চংদু চেং অহু অতিথি অসিদা কংদু চংদু।
(মালতীনা চে মথোং থোককে তৌবা) নত্তে থোক্কগদ
মাহুপী চেং অহু চব' হেন্নবা অতিথীদা পোইনা কংখে

মালতী :—তাবো।

বসন্ত :—করিগী চিংনবী মালতী নং ঐদি চৗ হেন্নবসু ইহুদ
নৈগী, কংদু অতিথি অসিদি নৈত্রবগী চৗ হেনবতনা
মাগী ওইরবনী। চেং অসি পোইনা কংখো ঐখোয়মতা
অহুপদু অতিথীনা পেন্নগা ঐখোইগী য়াইকবা ওইগনবনি।
চংদু নপুঙ্গির পেংনা কংদু অতিথীগী মকমদগী সংগাইরবগী
অগাবা থুনা কোকনবা বর পীবিদু হায়না থজবীরু।
(মালতী চেংগীবা অতিথী থোক থবা)।

মালতী :—তাবো করি চানী?

বসন্ত :—নখোয়মতা ঐনা পুংফুগা ইহুংদা পৈরীবনী।

মালতী :—তাবোদি … …।

বসন্ত :—ঐগী, হাঃ হাঃ হাঃ ! মালতী ইখুংগীনমতা নং করিমতা

হায়দু সংসার অসিবা লাইরবা মীগী চিত্তকী তরক ছেমলিবা মতম।

মণতৌ :—তাবো।

[ক্রিন]

৩শুবা অঙ্ক

২শুবা উংপা

"লম্বী" "থবং"

থবং :—শান্তি ২ কদায়ংনে শান্তি, কদায়দনো ঐগী পদুংকৰ পৃথিবীগী কয়া লায়া মকমদা, কয়বা মকমদা লৈবগে ? অইংবগী চুংনবম, ঐগী লৈকম লৈয়কত্রে, পৃথিবী অসি লৈমগী হেন্না শাথরে। ওইহাংবা পনকম লৈখিদরে, সংসার অসিদা মীওইবা অমতা উথিদরে ; ঐনা কত্রম অমদা মীওইবা লৈ লায়না থম্মবা অছুম্ব লান্নবগে। ঐগী তাবল হাঃ হাঃ হাঃ লৈত্তে মী ওইবা অমতা লৈত্তে। পৃথিবী অসি শা কৈদ্বা থম্বা অকনবি মীওইবা অমতা লৈত্তে, লৈত্তে ধণা মধা, লৈত্তে শাইগ মাউৈ, মচা মত চুপী কনা অমতা লৈত্তে, মীওইবা লৈরবা তাইবং লিদা কবিশীদমক্তা ঐনা শাওবা লৈকখিমদি। লৈরোই লৈরোই অসিলবা মংসার অসিদা অছুক লৈয়রোই হাঃ হাঃ হাঃ মধাক ! মধাক ! অৱৌ অসিনক

থাইবা শাইর অমং মেথবা মমাঙ লেপ্তে নমিং অড় পেন্না রেংঙ্ট, শরৎপু মেংলপ্না থান্না থাম্না লোকই। নিংবা কান্নবশিংবু লেললপা নংবা মুংতাইথি, মল্ল মূলৈ লেংদি, মূংতাইবু, পেন্নু, অহুং শরৎকী মকমদি নংশী মিংংেংং অড় চংবা থবিপগনি থম্মপমুকো মমাঙ। লৈজহৌরো মমাঙ, ঐদি নংশী মিংরোংশী থাঙ্কা থাঃ থাঃ থাঃ।

[ফিন]

অহুম্বা অঙ্ক

অহুম্বা থংপা

"শরৎকী মুখ"

(পূর্ণিমা মপা মান্না লোকপা চম্না হেনবশী ফিভম)

অমাবা শকক্ম মাখি, লেংচন মপাম্দা লেপ্পা)

পূর্ণিমা :—মাপী মশক উথিবা পা অমা কাইরে। কপাকপা লৈমিশবা ? লাইবক শীবী এশীমক্তা মুখ থাদোক্লুর, অহ তাপ পূর্ণা ফিগনি চংথিবু লেকরে। কবোপা শীওইবশী মপোক মহ না লোকে কংসে থাম্না মপোকু অমিম্না ? কনিবক ঐমা চিনখিবা অনিবা অতুবা অইকম্বনি সংসার থাদোক্লুবা (কপা, ইন্দু লোইকপা)।

ইন্দু :—কুচিরো, ইবেম্মা নহাক্না তৌরিবা অসিদু। চুরিং চুরা মচি মচি পুদিদো তুং তুং, হক তৌহনবা নৈবা অসিদু ইচুং অসি মাং ফাকহনগদ্রে? নংনা হুম অসিগী লানপদগী চুংশাইরে। নহাক থওনী অদুবা লাইরবা ইচে কাওবা চংরেদনবে, হৌজিক করি লাংদি হিন, ইমাইপেম্মা চাকাইবা খংবদে, ঐ ওইরবদি কোক অসি উথোংবা থেংজিন্দুনা ওইরবসু নহাক্না শিল্লগনি।

পুন্নিমা :—মামী শিরবা মতিকচাবগী ঐনী পুংজনি। অদুবু কদাইদা মহাক লাইরক থৌনৌগী অমুবা খংবিদে।

ইন্দু :—মীনা হমরগা চিংকুগী পুথিনে হায়, ইবেম্মা মাসি লৈরাই নত্তেনে—অসুক থাক নাইবা চংদিগদবা ওইরে। চাইথো নংনা করিগীনো, নথংবইগী চুংশাইরগা হেক মচংথো অহুদি নত্তবা চনাবা হেনগংলিবা অসিনা করিবে? কোক শিরিবরবদি কৈ অহুদি নত্তুনা নাবিরকপা মী লাকপে তৌবা নুপুক। মী অমম নত্তেনে কংখিরবা লাংনি।

পুন্নিমা :—অদুবে ইমা তানবগী শক্তি নৈবা অদুক ঐনী থাংনবা শক্তি নৈজরগে, অদুক তাকপিগদবনু।

ইন্দু :- থ.বেবা শক্তি নৈংদে মুদে হায়জীবরনে কিজরেদ। মচা। তৌবিদৌবদি-বা হ হক করিবা তোইদোইদবাই নিংথৌবাই। তৌজিক [illegible] ইনাইবেম্মা, ইবেম্মা করী নংবো অসিদি থুমী পুক্লক থেংবদি, ইমাগী ঐগী ঐথোকপদি থাইরে। (পুন্নিমা হাংদু, থদবা নংমা চংলকপা)।

নবিয়া :—থানা থাবু লৈবরা ? (নবিয়া ইন্দুগা মিংয়েং চানা য়েংবা)।

ইন্দু :—(মচিন মখা শকতম শেমদুনা) লৈহে করিগী ওইরকনো ?

নবিয়া :- চিঠি অমখক পীরকই অদু—

:—কনাগী পীরকপা ওইরবনো ?

নবিয়া :—শরৎ হায়বাদা অদুনা পীরকপনি—।

(পূর্ণিমা মখিং থকপা)

ইন্দু :—ইচা শরৎনা (মকপিরদুনা) মাদি করাম লৈরোবগে ?

নবিয়া :—আদা লৈহৌই।

ইন্দু :—চিঠিদু অমুক্ত পাপিরগদৌ, মাগী মপাও ভাকপিরো লৈরমলোবনি (মোখা লেংপিনখিবি। কীগা : থাবো নবিয়া কয়গা চিঠি কাক্লোকপা, পূর্ণিমা ইবো লাংবা ইন্দু মচিন খুম্বা, নবিয়া শকতম চাইনবা)।

নবিয়া :—তাবিয়ু:—

শ্রীহরি

পরম পূজনীয়

পাবুংগী চরণদা তোরবা নচানা হয়া হয়া খুরুমজরি, পাবুংনো হায়বা ইশ্বরনা চংনুবগী হনি কাওবদা মনিপুর পিনবা থু দুরে অদুবু নচাগী লৈকম লৈমযে ইপা ইমাদ ৌ য়েনবা অম. লৈহে হায়বা থংজদে মপা মমাগী মাথং চাকপনা মচাগী মংগৌনি হায়বদু থংজরকপে। হৌজিক খুদেং হজরকনুনা ইমা ইপাগী লেবা তোক-

লিংলে। অহুমু হুম অহুদা ঐনা হায়বা ইম্মবা অমা শুংশাইদা, ঐগী ইচুং ইমু মাজবা পূর্ণিমা লৈরিকমচৈ নচানা লাকচনিংঙে। মাগী চৎপবা মতমদা ঐহাক লোইদনা লাকচগনি অহল লম্বনগী মেবা তৌজরবিগনি, নচাবু ৱাংথোকপিগনু অমদি ঐগী মক্তা থাবিগনু।

তোমবা নচা

শ্রীশরৎচন্দ্র সিংহ

পূর্ণিমা লৈরিকমচৈ লাকচনিংঙে।

ইন্দু :—তারেদনা ইবেম্মা তানবেদনা ?

পূর্ণিমা :—পূর্ণিমা লৈশ্রিমচৈ।

নদিয়া :—ঐদি চৎচরগে মাসি (চিঠি পীবা)।

ইন্দু :—করি পুদোক্ত কাক্ষে (চিঠি লৌবা)।

নদিয়া :—এঃ ওকচরে (মিংচিনা লেংলম্বগা থোকখিবা)।

ইন্দু :—ইবেম্মা হোৎজিক করি থনবিথিবনো নংতনা হুম মহৌ লাংহনবে, নংতনা অমসা অমগা লুংভাইনংবলে ইবেম্মা অচাওবোন কানিংবী।

পূর্ণিমা :—অমা লুংঙ ইবদা ইচুং ইমু থাদবী।

ইন্দু :—করিনো মুকম মুকম লোঙ্গিবসিবু তারেদনা ইচা অহনা নং লৈশিরকমচৈ হুমদা চংলরোই হায়রে মসিদা করি করি থম্মিবগে।

পূর্ণিমা :—করি থনগনি থম্মিংভাই অমুক লৈগে ঐ চৎকনি ঐদি মাগী ইচেলগী পল নত্তে কাওদিংবনি ঐ চৎকনি।

[খুরুম্না ইভাও তাওনা থোকপিবা ইন্দু থোঙাগী মোঙ্গা নৈনেহৌকি নদিয়ানা পুন্সিবাক চংখিবা খুৎ থবা হন্না ঐঙাক্না চংলকপ]।

নদিয়া :—কনদো মিনো ?

ইন্দু :—ঙুং হাইত্তে ! কদায়দা থম্বনো চিঠি ইবা ওবোম্না নৈনমবেমা ঐখোয়দি ভাবনা কয়া কপ্লিবৎ।

নদিয়া :—ঐনা ইবা ফংজে খোয়বা য়াবা নত্তে হায়র্না M.A., B.L. অমগী ইশিংকইনি য়োক্নিং নিংবা পুন্সীরেগনা চংথরেগনসে ?

ইন্দু :—খুরকরে কপ্নিনা লম্বন লিংলিবনো ?

নদিয়া :—লম্বন লিংবা লাইচিং নহাননী লাকিহন থবক মরম মখইবনা হুরবসিনবু থাংবা ওবত্তে।

ইন্দু :—কপ্পি হংজিবা ?

নদিয়া :—ঐনা ঐনা থবক মরম চইবগা নৈশঃ অমুকম্ন লিপনি হায়রম্ম অহুনীনিবে।

ইন্দু :—হায়রে থক্কা হায়নবী লক্ক মুপা ৫০ লিরেগা মহুমক্কা অমুকম্ন লিখো হায়রিবা ? খেনেমকো থেগীওইরে।

নদিয়া :—থীওইরেবী মপোকপু কপ্পিনবী . নৈনজন ?

ইন্দু :—তৌবিরমুদা থিং।

নদিয়া :—ঐখোই অনি ওক্তি চকথবা হায়রম্ অইরে থকু অইগনবা-ভাকা। (ইন্দুনা চংখিয়া)

ইন্দু :— অওইবনি ঐখোয়নদি ওঃহ'ক শাগনা খোকখেদা। পাঃজি অমন শরৎ তাখোকপা, চিঠি অমনা পুর্ণিমা তাখোকপা হাঃ হাঃ হাঃ।

(গোকুল চংলকপা, মাখোইগী মা তাহনা নৈবা খোং-নাওনা নোংঙৈনা কায়। নোদিয়া ইন্দু মপান্দা চেখোকুনা চুনা)

গোকুল :— হাঃ হাঃ হাঃ পাজি অমনা শরৎ তখোকপ, চিঠি অমনা পূর্ণিমা তখোকপা, তাখোকখো কনা হাংলি খেন্না। মরম নৈতবী ইচা ইমৌ থাগননবা শিনবা। তাখোকখো কনা হংলি ওকবী খেন্না। মহাশয়খে ঐঙোন্দা উং চাইরম ওসি গোকুল মিং পাংলে। হাঃ হাঃ হাঃ পাখং। হৈরানবগী তঙানি মপুগী নোংমা কাওগদ্রু পাখং। (মখোংনা কাওনা) মতম অসিদা ঐগী চুংশিনবা ইচা, পুকচেল শেংলবী ইমৌ কদাইদ নৈরিগদবা?

[স্ক্রিন]

৩শুবা অঙ্ক

৪বা উৎপা

(লমী)

(মালতী চেং মরোম অমা পায়হুনা য়ায়া হানা চংলকপা)

মালতী :— তাখো! তাখো! ঐ মিং উরকয়ে (চুপনা) ঊশিং ঊশিং।

পূর্ণিমা :-(ওক্রা) কনাগো মালতী কদিদে তৌরিবসিদে ? কদাই
 চংলুই মালতী। (মনাক্ত চংশিল্লুনা মথা পাইদুনা)।
মালতী :-(খোঙেন পিক্না) তাবো নাপ্পনা চেং… …।
পূর্ণিমা :-তাবো নাপ্পনা নংনা চেং নিক্করিবা।
মালতী :-ঈশিং… … ঈশিং … ঈ…শিং (শিবা)।
পূর্ণিমা :-(কপ্পা) মালতী মালতী ঐনা কৌবসিবু তাত্রবরা ?
 নমিৎ পাংই ইচে মাচে মালতী ঐহোক্না অমুক্তা লেই।
 কররোনে মালতী নংনা তৌরিবসিবু ? মালতী মালতী
 শিরে মালতী শিরে। হৌজিক ঐনা তৌগদবা করিনে ?
 (কোনখৎপা) মালতী চৎসি তাবোদি নাক্তা চংদে
 (থাজংদুনা পুরিবা) (ঈশৈ শক্তা শক্তা চংখিবা)
 (শরৎ ইচাও চাওনা অগাবা শককবদা চংলকপা।)

শরৎ :—পূর্ণিমা কদায় পূর্ণিমা হৌজিক কাওবা ঐনা কোপা
 তাত্রিবরা নং নত্রা ঐবু থাবোকলোই হায়রিবহু পূর্ণিমা !
 কদায় লৌবুক্তী ঈশিং শিন্নু ঐদি খঙ্গোই চাক্তে, নংদি
 খঙ্গোই ইংখিবা লৌবুক্তী ঈশিং অহু ঐবু পিবগে। পূর্ণিমা
 (যদি উবা) (মমিন ঈশৈ শকপা) (পূর্ণিমাদি ঈশৈ)

পূর্ণিমা :— ও: হায়রিবু নাখিবা মানংবা।
 খঙ্গোইনা হাং লাইরক্তা নেম
 খংজহৌ নৈরাংদি পুন্সি।

শরৎ :—[ঈশৈ] পান্থ নমদম লেংদুরসি
 প্রেম পাররাং মখোংদা

তুংশি মাঙী হোঃ লাক্কনি।

পূর্ণিমা :— ওঃ নাসিবা মালংবও
খম্বোইবা নাং লাইবক্না কেম
অঙাংবী থোইবী'গী পুন্সি।

শরৎ :— তু'শি থৈগী লাংলবা ঐনি,
তু'শি খুদোল নিজবীবা
ও প্রেমগী লাইরা চাক্সীনি ঐনা

শরৎ :—পূর্ণিমা (মাথ মাংশিনবা) উঃ নত্তে ২ ঐ নহৌ থাদোকপা অমোই লাও ঐগী নাকা পূর্ণিমা! পূর্ণিমা ওঃ ইবেং-নবুগী ইশিং পুর্ণিমা [লোকখিবা]।

[স্ক্রিন]

অহুমশুবা অঙ্ক

মতাংবা থংবা

'বসন্তগী মহুম'

["অহিং" বসন্ত কবুং হিপেদয়বদগী লোয়কপা]

বসন্ত :—নত্তে ২ মালতী নিজবু তিক্ক নিজবু ঐ চাদিংদে মালতী ঐ হিংবিংদে থৌনা থৌনা হায়বকবি মালতী, লাইরবক্তু মিনি ওনা তুংশিনবিরোই নিজবু তিকনা নিজবু ঐ খবক ফুবা চৎকনি নংনা খাদা মাজোই মালতী, নংনা লোমলুরা ঐনা কনহনা চানা থমোই, ঐ তিমপাগী তে চারোই মালতী ২।

[পূর্ণিমাবা মালতী পুক্না চৎলকপা]

পূর্ণিমা :—ইচেমগী ইবেম্মা মালতী!

বসন্ত :—[মখিং মপেন মমাং উবা] মালতী কদাই চংখ্রে মালতী ঐনা ভিক্ষা নিকুহ্রু হায়রগা মালতী।

পূর্ণিমা :—তামো ঐ মালতী নত্তে পূর্ণিমানি।

বসন্ত :—পূর্ণিমা নং অসিদা।

পূর্ণিমা :—ঐহ তাংযোগী নাত্তা।

বসন্ত :—চংলু পূর্ণিমা তুপীনা মপামদা হন্বা মহা পাপনি! চংলু পূর্ণিমা, মালতী! মালতী!!

পূর্ণিমা :—মালতী অসিদা লৈত্রে তামো [কপ্পা]।

সন্ত :—ইনাত্তা করিগীনো ঐনী খুমজিন্দি?

পূর্ণিমা :—খুমমোই তামো।

বসন্ত :—করিগী মহৃংনা কৌবদহ্রু করিগী খুমমোই হাঃ হাঃ হাঃ ঐনা থবক নোংমুপদু হায়বা অদুদা তাইরিবনি।

পূর্ণিমা :—তাইরবা নত্তে তামো মালতী [কপ্পা]

বসন্ত :—তাইরবা নত্তে অদুদি, পূর্ণিমা নং কপ্পাবরা?

পূর্ণিমা :—নত্তে অদুহ্রু মালতীনা ঐহ্রু কপহল্লে তামো মালতী শিরে।

বসন্ত :—শিরে বদায়, ঐগী ইচল মালতীহ্রু শিরে [চংশিনবা] [অশিক মথা হেংলগা] শিরে হাঃ হাঃ হাঃ শিরে পূর্ণিমাহ্রু হল্লকে মালতী [তুনশংলা, মা তুবা].

পূর্ণিমা :—তামো তামো হি তামো লাইবক থীবী নচম্মা কৌবা অদি তাকবরা তামো তামো হি তামোহ, তামো তামো মালতী! মালতী!

৩শুবা অঙ্ক

৬শুবা উৎপা

“নদী”

(গোকুল হাওনা চংলকপা)

গোকুল :— শরৎ শরৎ কদায়গা লৈরগে নহাকপু, নহাকপু কদায়দা লোং লবগে থিগনি ঐনা নংবু থিথিগনি হংদুনা কাওবা থিথিগনি, চৈংলু মাঙ্গু নাবক শোংলক পুরবক চংহনা থৌথিংনি, কদায়দনো নংনা লোংকদবা মপাম্বী থিংমী হাংমদ কয়া লাম্ম মকমদা লোংকদৌরিবা অরেম্বনি হরেম্বা শরৎ। (খুপা অম গোকুলকপ্ম গোকুল চংখিরব) শরৎ নং লাকে ইপানা নত্তোন্দা লানবে, ইপাবু হাকউ খুমদ চংসি।

ছাত্র :— ঐ শরৎ নাত্ত।

গোকুল :— শরৎ নত্তে (ছত্র হয়া হয়া য়েংহনা চংখিবা) অহুদি (খুপী ১/৩ গোরকপা) পূর্ণিমা লাও ইবেম্ম। ইকুপা খুমদা চংসি নংগী নয়াপ কয়িমতা লৈতে; শরংমু ঐনা থিথিগনি মাগী মযাপমু লৈতে পাজিমু চিঠিমু থীনম হাংক ওইরমলে। চংসি খুমদা ঐ নংবু থিরকপিথনি চংসি।

খুপীমচা :— ঐগোইদি পূর্ণিমা কৌব অমতা য়াওজদে।

গোকুল :— অদুদি (চুপী মখাম লোকখিব) নত্তে নত্তে ঐ থিথিগনি শরৎ পূর্ণিম মথোইদু উদ-1 ঐ চুমদা হল্লরোই ।

স্ক্রিন

৩শুবা অঙ্ক
১শুবা উৎপা

"চুমিং ভাবা মতম"

"বসন্তগী ইমুংগী কা"

পূর্ণিমা :— (হৃদয় হৌগত্তুনা) মালতী ভাবো নথোইগী ঐবু থাংনা তুনা চংখরে, মালতী ইচেনা চাক লোয়রে চাক চারো মালতী নং চাক চাখিদ্রিবনি লাও মালতী? ইচেন থৌবসি ভাগ্রবরা, ভাবো মালতীবুদি নংনা শুক্রনা চংব্রগা লাইবক থীবি নচন পূর্ণিমাবু তশোকপীরক্লগা? (কপ্প)

শরৎ :— (মথুংদা) ঔশিং লৌবুকী ঔশিং থজিক্কা—

পূর্ণিমা :—(কিংনা শোনবা) ওইনা কনানো, কনাগী থোক্কেগো।

শরৎ :—(চংলকপা) কনা নৈবগে? পূর্ণিমা খঙ্গোই ইংথিবা লৌবুকী ঔশিং অদু থজিক্কা (চুপা)।

পূর্ণিমা :—ইবুংগো ইবুংগো (চংশিল্লুনা কোনখৎপা)।

শরৎ :— কনানো ? পূর্ণিমা, অদিনা হৌদবো অংবা, পূর্ণিমাদা চাবা পূর্ণিমাদা কোনে

পূর্ণিমা :— হায়বী ইবুংহো ঐদি, অসিমদি ইবুংহোনা ফিভম অসিদা।

শরৎ :— পূর্ণিমা না উমদম ? নৈক্ষর খাঙ্গদবে কোইনা চংলুবে হৌকিকে ঐবু অমুক থাদোকখনগদু পূর্ণিমা।

পূর্ণিমা :— ইবুংহো (মিত্তা পি তান টু চুংব)।

শরৎ :— করিনো নহাক ঐবু থাওরিত্ত ? এবু কাওরগে নিংলব্রা ?

পূর্ণিমা :— কাওবা নত্তে নতে, চটথোকহনবদি অদুদু।

শরৎ :— অদুবু করি ? পূর্ণিমা হাংল অত্তে থমুমদু। মংলাব অসিদা করা অমত্তা নৈতে নংগা ঐগতনি। ঐখোই অনিত্তা নৈগনি, অদন লম্বনবী হাখন তৌক্ননগদু পূর্ণিমা।

পূর্ণিমা :— ইবুংহো (মখুংদগী গোকুল)।

গোকুল :— (মখুংদগী) শরৎ শরৎ কদায়দনো নংবু ?

পূর্ণিমা :— ইদু ইবুংহোদু লাকলে ইবুংহোবু অমুক।

শরৎ :— লাকসদু পূর্ণিমা, করিমত্তা চিংনগদু পূর্ণিমা, ঐবু চসি কনাবত্তনা ঐগী নিংথা থুগাইবা চদোই। ঐবু থাদোকদু নংনত্তবু ইনাক্ত লোংদনা নৈরবদি অমংকী মীপুম থুদিং-মক্তা মায়রোকনবা তায়বদু মাই ওদোই পূর্ণিমা—।

গোকুল :—[মখুংদগী শরৎ ২ চংলকপা] পূর্ণিমা ২ [শরৎপু উন্না] শরৎ নহাক অসিদা নৈরমলে, হুংতাইরে ঐ হুংতাইরে চৎসি ইপাগী ইবুংহো। অহুগা পূর্ণিমা।

শরৎ :—নত্তে পাবুং ঐ হুমদ চংলোই মপান থাহুবা ইমবা হায়বনা ঐবু ইনথোকপীয়ু ঐবু মক কনা মাংখিনবা অভিসাপ থৌবিবু নচানা হয়াওনা হুজমনি। পুর্ণবাবু থাদোকপা ওহৌজরোই।

গোকুল :—মানি—থাদোকলোইদবনি মপানা পাবত্তু মহুত্তিদ শরৎ। মপোক অসিমগী পুর্ণবাবু থাদোকলোইদবনি শরৎ, ইপাগী ইবুংঙো—ইপাগী হাংদবা মমলবা মু অদোঃ শরৎ পূর্ণি... মথুক্তা থাদনবুগবা—।

[শরৎ পূর্ণিম, চংলনা থোংকাদদ]

[গোকুলনা—শরৎকী খুদাং পাইরগা,]

খুংগাইয়ে—পেরে মাংলবনা মিংকী মপি অতিবু অমু হন্না থাকরে। গোকুল শরৎ পূর্ণিমা।

[যবনিকা অমা অম হায়থিল্লকই]

